ইবেনবোক্নী ফুঙ্গা ৱারি

***

ইজবা
ললিত

ইবেনবোক্কী ফুঙ্গা ৱারী

"শক ১৯৮৭-৮৮গী ওন মণিপুর চিলদেন্স
বুক কম্পিটিসন্দা মনা ফংখিবা"

ইরবা :—
ললিত

ফোংজবা
ললিত

অহানবা নম্বা ১৯৮৯ ই'

মমল লুপা ২০/-

নম্ফম ঃ— পোপুলব প্রেস পাওনা বজাব,
ইম্ফাল

ৱাশক চেৎপী রানী

করিগুম্বা মতম অমদা নিংথৌ অমনা লোন্নবা লৈবাক অমদা কোযবা চৎলম্মী। লৈবাক অদুগী রাজকুমারি অদু মশক য়াম্না ফজবম্মী। নিংথৌ অদুনা রাজকুমারি অদুমক ফজবী কনাগুম্মী নুপী অমত্তসু মমাংঙৈদা উখিদ্রি। মহাক্না রাজকুমারি অদু উবদা শুম্মাৎলম্মী অমসুং মাবু লুহোংগে থল্লম্মী। মহাক্না রাজকুমারি অদুদা হায়রম্মী, " নহাক্না ঐগী রাণী ওইবীদ্রনা ঐগা লোয়নননা ঐগী লৈবাক্তা চৎলসি।"

রাজকুমারী অদুনা ৱাফম অদু যারমমা অদুবু অংকপা বা অমদি হায়রমমী। মহাক্না হায়রমমী, "ঐহাক মতম পুম্ব-মক্তা নংগুম্না অমগা লুহোংবা পামলকখি মরমদি নোংমা ঐগী ইচান্নুপানা নংগী নাচানুপীবু লুহোংবা যানবগীদমক।"

নিংথৌ অদু মাগী ৱাহৈশী অর্থ খঙলমদে। মাগী ৱাহৈশি অদু নিংথৌ অদুগী মফমদদি থোইদোক্না অর্থ লৈ-রমদে। নিংথৌনা রাজকুমারি অদুবু লুহোংলগা মরৈবাক্তা অনৌবী রাণী অদুগা হনখিরমমী। অদুবু অসুম থোকউ তমখিবনা, নিংথৌ অদুনা রাণী অদুবু থৌওইনা, তৌবিদবা হৌরক্লমমী। মহাক্না রাণী অদুবু অহানবা উবমক্তদা নু-শিখিবা অমসু পামজখিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা রাণীগী মফমদা চৎপা হৌরক্লমমী। রাণী অদু নিংথৌগী অদুগুম্বা শাজৎ অদুবু খাঙবা ঙমলমদে। মহাক থীন্দনা মপাম লমদক্তদা হনখিরমমী।

. থা কয়া হৌখিবমমী। অদুবু রানী অদুনা নিংথৌগী মহা-মপাওনচিবা অমহো তাবমদে। নিংথৌ অদুনা বানী-দুবু পুমকাও কাউন্বগুম তৌখমমী। মতম থবগী মতুংদা বানী অদু অপিকপা মচানুপা অমা পোক্লমমী। অঙাং অদুগী কুচ অদু অহিংগী মতৌগুম মুনমমী। মবম অদুনা মাগী মমিং অমুনিংথৌ থোল্লমমী। বানী অদুনা মচানুপা অমা পোকপগী পাও অসি নিংথৌগী মফমদা থঙহল্লমদে।

মতমনা অস্তুম হৌখিবগা লোয়ননা নুপামচা অদু চাও-খংলক্লমমী। মমা অদুনা যাম্না হেকশিন্না মচানুপাবু নিংথৌ মফমদা অমগী হোনবী বিদাও অমসু মাহুদুম পুন্নমক তন্বীহমমী। মসিগী মথক্তা মমানা মচানুপা অদুবু যাম্না হৈ-শিংবা হুরানবা অমা ওইনবা হোৎনরমমী। মসিগী মরম করিগীনো হায়বদু মহাক্কা কনা অমত্তদসু হায়দোক্লমদে। মবম অদুনা মমানা অফাওবা হুৎানবা অমবু মচানুপাগী ওজা ওইহল্লমমী। মতম ইকই নইদনা নুপামচা অদু যাম্না হৈ-শিংবা হুরানবা অমা ওইবক্লমমী। নোমগী নুমিত্তা মমানা মচানুপাবু কৌবগা হায়রমমী, " ইমাগী ইবুংগো, নহাক হৌজিকতি ইমানা নঙোন্দা শিন্নগদৌবিবা থবক অসিগীদমক মতিক চপ চাবা হায়বদু ওইরে। ঐগী লুহোংবা থা থরদংগী মতুংদা নংগী নপাবু নানা ঐবু হুন্দোকপিরমমী। ঐনা মতম অদুদা কংখিবা অবাবা অমসু ইকায়বা নংখিবা পুন্নমক অদুগীদমক মতম অমদা নপাবু গী মথক্তা লমন থুমগে হায়না

চপ য়ুংনা নিংখি। মস্মিনি নংনা হৌজিক তৌগদৌরিবসি। নপাবুংগী লৈবাকতা চৎলো অদুগা কোন্নুংগী থবক্তা চংনবা হোৎনরু। অদুদগী মঙনা কোন্নুং মন্নংদা অঙক অঙকপা হুরানবগী থবক পাওথোকলুহো। মদুদা নিংথৌ অমদি পুলিসকী মীয়াম পুম্নমক ওঙ্কনি। নহাক্না থবকশিং অদু য়াম্না হৈ-শিংনা পাওথোক্কদবনি মদুদি কনা অমত্তনা নঙবু ফাহল্লোইদবনি। মমৈথংদা নিংথৌ অদু উপাব লৈত্রদুনা লাওথোক্কনি মদুদি হুরানবা অদু মশানা নিংথৌদা চংজরক-লবদি নিংথৌগী মচান্নপীদু মঙোন্দা লুহোংদুনা পীগনি হায়না। মতম অদুদা নহাক্না নিংথৌদা চঙ্গদবনি অদুগা লুহো বগী ৱাফম অদুদি যারুগন্ন। নহাক্না ঐঙোন্দা পাউ থাদক্কদবনি অমসুং ঐ য়োদকপা ওইহৈরমগদবনি।

অমুনিংথৌ থীন্দনা মপাবুংগী লৈবাকতা চৎখিবমমী। থুনমক মহাক্না কোন্নুংগী ঙাক-শেনবা অমসুং ফম্নাইবশিংগা শকথ-মাইথঙনরমমী। কোন্নুংগী মীশিংনা অমুনিংথৌগী মশক মতৌ ফজবা, ৱাশি-গুন লৈবা অমসুং মশা-মউ ফবা অদুদা ওক্লমমী। মথোয় মশেল অমগা অমগা হায়নরম্মী "মশক মতৌ ফজবা পাখঙ অসি কনানো ?"

মতম ইকুই কুইদনা অমুনিংথৌ কোন্নুংগী থবক অমা ফংলম্মী। থব লৈবগা মহাক্না মাগী ইহান হানবা হুরানবগী থবক অদু তৌবম্মী। মহাক্না হুরাল্লুবা পোৎ-চৈ পুম্নমক অদু অনকপা জঙ্গল অমগী উথোঙ অমদা লৈখুল হুৎলগা

লোংশিলম্মী। মহাক্না মীখণ্ডনবা মখুল অদু মথম নিংথিনা শুমজিলম্মী। অদুগী তুংদা ইবান কল্লদনা অচৌ অচৌবা হান্নগী অদুদগী হেন্না লুবা হুবানবগী থবকশিং মথং-মথং মশী নাইদনা থোংলকলম্মী। থনাশিং অদু ঙমখৈ লৈতনা চমন্নবম্মী অমসুং পজাশি অদু কিবনা মীপাইনবম্মা। মখোয় পুন্নমক থোনা ফববা অমসুং নিংনিংঙাই ওইববা হুবানবগী থবক অদু কনানা তৌবানা থনবদা ঙকলম্মী। কনা অমত্তনসু অদুগুম্বা থবক অদু মমাংদা তাখিদ্রি নত্রগা উখিদি। কনা অমত্রসু অম্মনিংবোব চিন্নমদে। মরমদি অমনা থোনা অথুক থদগা মচৌশাগুম মংম কাইদনা বেন্নুদা লাকলম্মী।

নিংথৌ অদু হুবানবগী থবকশিং অডুনা যাম্না খোইবা খোইশাওনহল্লম্মী। মমাংদা মাগী লৈবাক্তা অসিগুম্বা থবকশং অসিনা অওংপা পীবা অমক্তা তৌখিদ্রি। পুন্নমক অসি থনাগী কাংবুনা মখোই চেকশিন্দবদগী থোকখিবনি হায়দুনা নংথোন, থনাগী কাংবুদা চৈ-থাংলম্মী। থনাগী নাংম্ম মথনায় নু-নুংঙাইরমদে। অওইবমকসু মখোয় হান্নদগী মখোদা খোয়না কে মথোকপগী মওং লৈরমদে। থনাগী মবক্তা মীওই অমথক্তি মথবায় নুঙাইমল্লদুনা মহাক সংবগী লৈনক কোন্সাং পুন্নমক অহিং চপ্পা ঙাক্কে অমসুং হুবানবা অদু ফগে হায়না চা-থোংলক্লম্মী।

নুংনিদাং ওইবকলম্মী অমসুং মীপুম থুংদি মক তুম্মখিলম্মী। অহিং অদু পুমচিক চিকলম্মী। তাবা ফংবা হায়নবু লম্বীদা

ঙাক-শেনবা চৎলিবা থনা অদুগী খোঙউপ বুট মখোলনা ঙাইবম্মী। থনা অদুনা অস্পুম অস্পুম চৎলকপদা সহবগী চিদায য়োবক্লম্মী। মহাক্না চক্রি তকপগী মখোলগুম্না অমা তাবম্মী। মহাক্না কোইথী থীবকপদা থেংলবা অহিং অদুদা মুশি মুশিনা থাউমৈ অমগী মমাংদা নুপী অমনা চক্রি তকনা লৈরম্মদু উবম্মী। থনা অদুনা নুপী অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লগা হংলম্মী, "কবিগী-দমক্তা নহাক্না অস্পুক থেংলবা অহিংদা চক্রি তক্রিবনো ?"

"ইবুংঙো," নুপী অদুনা খুম্লম্মী, "ঐহাকী ইচা অদু নাবদুনা। ঐহাক কবিগুম্না থবক অমত্তা তৌবা ঙমহৌদ্রে। মহাক হৌজিক তুম্মি অদুনা ঐনা থবক অসি শুরিবনি।"

"নহাক কনাগুম্না অমা অসোম্বদা চৎথি লাকখিবা উবা ?" ৱাহং অদুনা নুপী অদু কিহনবগুম তৌবম্মী। মহাক্না পাখৎনা হংলম্মী, 'কবিগীনো, নহাক্না কনাগুম্না অমা উহৌবা ঙবা অহিং নুপা অমা লাক্লম্মী অদুনা ঐগী কোংগী ফৌ যাম্না হূবানখি। ঙসিস্থু মহাক হেন্না হূবান্নবগীদমক মফম অসিদা শোযদনা লাক্কনি হায়না থাজৈ।

"অদুদি যাম্না ফবে," থনা অদুনা হায়বম্মী। "ঐহাক মাবু ঙাইগনি অদুগা মহাক লাকপা মতমদা ফাগনি।"

"অদুবু ইবুংঙো, মহাক্না নঙগী ফিজোলসি উবদা চেনখিগননি। অদুনা খ্বাইদগী ফবা থবক্তি নঙনা ঐগী ফিজেৎসি শেৎচিল্লো অদুগা ঐগী ইহূত্তা চক্রি অসি তকশিন্নদুনা লৈয়ু। অদু ওইববদি

হুবানবা অদু লাকপদা নঙনা মাবু ক্কাবা ঙমগনি ।

থনাগী বাবু অদু নুপী অদুনা হায়বিবা ৱাফম অদু য়াবম্মী । মহাক্না নুপী অদুগী ফিজোল অদু শেংচিল্লম্মী অদুগা চক্রি তক্কুনা ফম্লম্মী ।

মথংগী অযুক্তা মমাংগী নুমিত্তুগী হেন্না শাথিবা হুবান চিঙ্গিগী থবক্লা কোক্তুং শিনবা থুংনা শন্দোক্লম্মী । নিংথৌন্না হেন্না ওকশাদি অহিংদা ৬ ক শেনবক্না থবক পুখিবা থনা অদু থীবা ফংলমদে । যান্না কুইনা থীবনা মতুংদা থনা অদু সহবগী চিদাংদা নুপীগী মোংলবা ফিজোল শেক্তুনা চক্রি তক্লম্মা অদু থেংনবম্মী । মহাকপু ফিজোল অদুমক্তদা নিংথৌগী মনাক তাল্লা পুংক্লম্মী ।

মথংগী নুমিৎ নিদিদি পুলিস অফিসার অনীনা হুবানবা অদু ফানবা হোৎনবম্মী । অদুবু মখোয অনিগী হোৎনবসু অবেন্দদা তারম্মী । নিংথৌ অদু খনফম খঙলমদে । মহাক্না লুংঙাইত্রিবদি হুরানবা অদুনা হুবানবগী থবক তৌবতা নত্তনা মাগী ঙাক শেন্নবা পুলিস ফাওবা অপঙবা শীবিবা অদুনি ।

নিংথৌ অদু তৌফম খংলমদে । মতম চুপ্লদা অফাওবা হুবানবা অদু মত্রৌ করম্না ফাগদগে খন্দুনা লৈবম্মী । মমৈ-থংদা য়াম্না খল্লবা তুংদা নিংথৌ শল্লেপফম অমা খংলম্মী । চহুরা মীনাই ওাচনা লন্না অমম্বং শেংবোক্লা কোক্তংগী পুংজাও থীন্দুনা লাওথোকখল্লম্মী মতুদি হুবানবা অদুনা নিংথৌদা

চঙজবক্কবা অমস্তুং অমুক হন্না হূবানবগী থবক তৌবরোই হায়ববদি নিংথৌনা মঙোন্দা মচান্নুপী লুহোংহনা পীগনি ।

মথংগী নুমিত্তা বোন্নুংদা মীযাম তিল্লম্মী। মখোয়না হূবানবা অদুনা নিংথৌদা চঙজববা অদু য়েংনবগী ঙাইহনা লৈবম্মী । মীযাম অদুনা অফাওবা হূবানবা অদু কনা “ই-িংগবনো খনবদা মখোয় মশেল ঙক্নবম্মী। নিংথৌগী পুংযৈবা অদুনা অমুক্কা হন্না মীযামদা নিংথৌগী ৱাবোল অদু লাওথোকহল্লম্মী । মীযাম মবক্তা লেপ্তুনা লৈবম্বা অমুনিংথৌনা মীযাম মবক্তুগী থোকহল্লম্মী অদুগা নিংথৌগী মমাংদা লেপ্লম্মী ।

“মথাক কবি হায়নিংই ?” নিংথৌনা হংলম্মী ।

“ইনিংথৌ ইবুংঙো, ঐহাক ইবুংঙোনা পাম্বীবিবা হূবানবা অদুনি ।” অমুনিংথৌনা হায়বক্লম্মী । মহাক্কা অচুম্বা উৎননবা নিংথৌবু মাগী হূবানপোৎ-চৈ লোংফমদা পুবম্মী । পোৎ-চৈশিং অদুগী মবক্তা পুলিসকী ফিজেৎ (য়ুনিফোর্ম) সু য়াওবম্মী ।

নিংথৌ অমস্তুং মীযামশিং অদু ঙক্লম্মী । অমুনিংথৌনা অমুকহন্না হূবানবগী থবক তৌবরোই ৱাশক্লবা অদুদা নিংথৌনা হাংদোকখিবা ৱাঙাংগী মতুংইন্না অমুনিংথৌদা মচানুপী লুহোংহনা পীগে হায়বম্মী । নিংথৌগী ৱাঙাং তাবদা অমুনিংথৌনা মমাবু বৌহঙ্গগে হায়বম্মী । অদুগা মমাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না থবক পুন্নমক চৎথগমি হায়না হায়জরম্মী ।

অমুনিংথৌগী মমাদু পাও তাবগা থুমমক লাকলম্মী ।

নিংথৌনা মঙোন্দা মচানুপীবু অমুনিংথৌদা সুহোংবগী ৱাকমতু হৌদোকলম্মী। মদু ভাবদা অমুনিংথৌগী মমানা হায়বল্লম্মা "অমুনিংথৌনা ৱাক্কুমাবিগা লুহোংবা যাবোই মৰমদি মবু অমনা মচলনুপীগা লুহোংবা থোক্কনি।"

"মচু কৰম ভৌনা ওইগদৌবিবনো? নিংথৌনা যাম্না ঙক্না হংলম্মী।"

অমুনিংথৌগী মমানা হৌখিবা ৱাবী পুন্নমক নিংথৌগী মফমদা লীবম্মী। নিংথৌনা ৱাফম পুন্নমক নিংশিংলদুনা যাম্না হবাওনা অমুনিংথৌ অমসু মমাবু কৌশিললম্মী। মীথাংগা অপুন্বা হবাওবম্মী অমসু অমুনিংথৌবু নিংথৌগী মচুংশিনবা ওইহৌৰগনি খনবদা নু ডাইৰম্মী।

লা ঙাল চাস্না পান্দিত

মমা ঙৈদা খুঙ্গ অমদা অহল মতে মনাও অনিখক লেরম্মা। নিপা অডু থবক শুবা মামনা তনলম্মই। নোং-ঙানবগা নুপিডুদা হায়, নুপি চাক থোংলুবো ঙসিদি থবা ওন্না চাথোকসিদনা অডুবু থোংননবা মচাক্তি নোংমতা পুশনলক্কে। নোংমদি নুপি অডুনা শাওডুনা নিপা অডুদা হায়রকই। ইবুঙো, নোং ঙানবগা চাক থোংলুরোদা হায়বি থোংননবা মচাক্তি ইবুঙোনা নোংমতা ফাওবা পুশনলকতুনা পিবিদে। ননাই নুপা ঐনা বানা শুজা নোমজরগা ইবুঙো ইবানিগী মোংমগী চন্না কাইদনবা হোংনজবনি। ইবুঙোসু মতে "থরদ" পাংশিনবিরবদি অবাবা পুন্নমক কোরকদবনি হায়জরকই। মতম অসিদা

অহল অদু শমা মচি তমদা মহাক্কা লাঙ্গোল অদু চাগথোক, তকথোকতুনা লৈবম্মী। অহল ওইরবা নিপা অদুনা খুম-লকই, হায়। নুপি ঐস্ত নোমগা থবক অমদি লেপ্তুনা তৌবি হৌজিক হৌজিক মাহে চাদ্রবসু নোমা কল্লগা নোমদি শোযদনা চাগনি। নুপা অদুগী ৱাহৈ তাবদা নুপি অদু শাওমনখিদুনা ইবুঙোদি লাঙ্গোল চাম্না পন্দিত ওইনে হায়না হাযবকলম্মী। মতৈ মনাও অনিসিনা ঙানব অসি য়ুমলোন্নবদা লৈবা মীশি না তাহৌলম্মী। যুমথ নম্বা মাশি অদুনা ঙানবকই ঐথোয়গী য়ুমলোন্নবদা লৈরিবা অতনবা অহল অসিবু লাঙ্গোল চাম্না পন্দিত হাযদুনা ফাওবক্লে। অসুম্না লৈকায়গী মীযাম্না অমা তিল্ল ঙানা অনি তিল্লা ঙাংনা নোংমা, নোমগী বা, বা লাওনা ঙান রকপনা লৈবাক নিথৌ মনাকো যৌবম্মী।

মতম অসিদা লৈবাক নিংথৌসু থৱাযদগী হেন্না লুনা লাংচবা লাইগী মুবতি অমা মাংখিদুনা অথ অহৈ, মাযবা মাযবী, পন্দিত কয়া কৌখৎতুনা মাংখিবা মুবতি অদু ফংনবা কন্না থিহন্মী। মতম হাযবসি থংহৌদে নোংমা, নোমা হৌজনখিদুনা ফুমিং তবেংনি শুববা ফাওবা থিবা ফংজন-লকত্রে। মতম অসিদা নিংথৌ, হাযনিংঙায লৈতনা নুং-ঙাইতনা লৈরম্মী। বারবা মতাং অসিদা নিংথৌনা যাথ অমা লাওথোরক্লে, লৈবাক অসিদা লৈবা কনা কনাগুম্বনা

মা শ্রীবা লাইগী যুবতি অমি ফজনা ঐঙোন্দা শিন্নববদি তুপা ওইববস্ত. নৃপি ওইববস্ত লৈবাক তথায় অমা পিজনা মহাকপু নিংথৌ ওইহনগনি। মতম অদুগী নিংথৌগী য়াথ অহুক্কপনি, নিংথৌগা য়াথং নিদ চানববদি প্রজা পুম কিবনা থল, থক লৈকই। তাঞ্জা ও সদা নিংথৌগী মন্ত্রি অমনা নিংথৌদা হঙ্জবম্মী ইনিংথৌ ইবুঙো পন্দিত লোমশ তমি পন্দিত ফনদি যাম্না তিন্দুনা মানা মানা থংজ হৈজনা কনা ঙাংনবে অদুবু ঙসি তবেংনি চনশিনলক্রবা ফাওনা মেন অমত্তা তাবা ডুমত্রে ননাইনা পন্দিত অমা তাঞ্জ মাবুস্ত অমুক্ত কৌজনা

নিংথৌ ইপু মন্ত্রি কনানো কবম্বা পন্দিতনো কদাইৱাদদা লৈবনো হাযম্মুদনা। নিংথৌগা য়াথ ফলবদা মন্ত্রিনা, ইনিংথৌ লৈবাক অসিদতী খবা লাপ্পা থুঙ্গ অমদা লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত হাযজনা ফাওগংলকপা অমা তাঞ্জ মাবুস্ত অমুকত কৌথজনা। মন্ত্রিগী ৱাহৈ তাবদা নিংথৌনা ইপু ঐস্ত পন্দিত অদুগী মমিংদি তাববনি অদুবু মাবুদি পুমকাও কাওই। থূদক অসিমক্তদা নিংথৌনা লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিতপু কৌকনবা মনায মশল থাবম্মী।

নিংথৌগী য়াথংনি হায়বগা তৌবগা চপ মান্নে। অঙম অথৌ মযাম লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিতকী মযুমদা চত্তুনা হায-জবম্মী। নিংথৌগী অঙম অথৌশিংনা হেক থুংলুবদা লাঙ্গোল

[illegible] চংবা [illegible] লাঙ্গোল অত্
চাম্বুঙ্গী [illegible] । [illegible] অসেম অযৌশিংনা চাপ্পক । উমদা
লাঙ্গোল চংবা পন্দিত পুনচক ওক্রদনা, ঘম্নু ইবশি [illegible]
[illegible] নৈনবগে ? লাকইবা ফমনংইবশিং
[illegible], পন্দিত— ইনথোগী য়থনি ঐথোঙ্গান
[illegible] অসি, ইনিংথৌ [illegible] কাম্বু [illegible]
[illegible] মাদে [illegible] য়াথ পবকই । [illegible]
[illegible] লাঙ্গোল চংবা পন্দিত উইইহাক রথল থোকগা ঘন-
[illegible] নাইবু কাম্বু [illegible] লাক্লবা যাদে
[illegible] নংনাই ঐ শোম্বদনা লাকচগনি অত্তব
[illegible] ইচম চংবা পন্দিত অমা নত্তবানিনা, ইচম চম্বা [illegible]
[illegible] যদে । পন্দিতকী বাহৈ [illegible] ঘন-
নাইবশি অত্তা পন্দিত সনা যাথ, ভাকপ্রিয় কবি করম থোকগা
[illegible] ইনিংথোনা হঙ্গচবগে ?

মতাং অসিদা লাঙ্গোল চম্বা প্রন্দিত মতোমতা বাথল
[illegible] থৌজিক ঐবু লৈবাক অসিগী নিংথৌ ফাওবনা ঐগী
মীং লাঙ্গোল চাম্বা-পন্দিত [illegible] থিবব্রবনিনা শুল থবদি
[illegible] য়াদে থন্দুনা, [illegible] যম্মাইবশা ইনিংথৌন
নংনাই ঐবু লাক্রবা যাদে [illegible] ঐ শোম্মদনা লাকনব
[illegible] । [illegible] ইচম চম্বা চংপা যাদবনিনা [illegible]
[illegible] লাক্লগা মতুদা [illegible] বজাই বেংগুল খোংচুনা

লাক্কদবনি মতুগী থোরাংদি তৌরক্লবদা ? পন্দিতকা ঋহে তাবদা ফমনাইবশিং অত্ থুনা য়াংনা হনখিত্না নিংথৌদা হঙ্গংচক্লই। ফমনাইবশিংগী পাওদম তাবদা নিংথৌনা থিক্লে ফমনাইবশা থুনা য়াংনা শামু খাবক লাক্ত্না বজাই বেঙ্গুল পুত্না পন্দিত অত্ লৌরু। অশোমদনা কমদৌরি লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত মতৌ মনাও অৱাকমদা তাবনি হাম্বগী চিন্তানা পোৎলুম অমা ওইনা লৈবম্মী। এগী-লাইবক্লা ভমলকপনি করম থোক্লগদবনো খন্দুনা লৈরিঙৈদা নিংথৌগী ফমনাইবশিং থূদক অত্মক্তদা শামু থাবক লাক্লত্না বজাই বেঙ্গুল পুত্না চংলক্লম্মী। মতাং অসিদদি লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত চত্তবা য়াদত্না সনা কোম্বং য়ৌনবা থোংদোয় হুনলম্মী। পন্দিতনা কোন্নংদা থুংলবদা মমলি মমলি তৌবম্মী। নিংথৌনা পন্দিত য়েবকপা উবদা হরাও ওযাম্লা পন্দিত যৌবিবক্লেদনা। লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত শ্রীযুৎ ননাই পন্দিত য়েজরক্লে, নন্নাইবু সনা কোন্নংদা কোৎখংপিববু ইনিংথৌগী করম্বা দশা তাবা লৈরবগে ? নিংথৌনা পন্দিত ঙসিদি থেংলে নুমিৎ তারে অত্না হয়েং নোংঙাল্লগা দরবারদা পন্দিতকা তান্নগদবা ঋফম অমা লৈরে অসুম্না হায়রগা মনাইশিংদা পন্দিতনা লৈনবা কা অদোমদা চংনবা য়াথং পিরম্মী।

নুমিদাংগী মতম ওইরে অহিং তাংলো থেংজিল্লক্লে

মিচিক মিরাওখোল তাশিল্লক্রে, মতম অসিদা লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত থবাই ৱানা ঐনা তৌরিবা অসিবু মংলা তাইবংলা হায়ডুনা মমিং পাংনা, পাংনা মঙলাক্লডুনা লৈরম্মী। খুদক অসিদা নিপা অমনা মখোল নিকনা ইপু পন্দিত হায়না নাশোল পিক্লা কৌরকই। নিপা অডুগী মখোল তাবদা পন্দিত থংবোই লাকপোই তৌডুনা ফমলমবদগী ফুক হৌগৎলগা, কনা ওইববনো হায়না হলকই। নিপা অডুনা য়াম্লা অকিবগী খোঞ্জেলদা পন্দিত খো অমুক্তা হাংদোকপিয়ু, ঐ কোন্নংগী মন্ত্রি অমনি হৌজিক পন্দিতকা তান্নগদবা ৱা অমা লৈবডুনা ল্যাকচবনি। ঙাইহাক অসিদা লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত, কবি অমুক নিখোংগী সনা য়াথং পুবক্লবনো থন্দুনা থক থফ নিকলডুনা খো হাংদোক্লগা মন্ত্রি অডুবু হবাও হবাও কৌশিনলম্মী।

চংলকলিবা নিপা অডুনা ইপু হয়েংদি পন্দিতনা ধ্যান তৌবদা ইনিংথোগী থবাযমক্কি হায়না লাৎচদ্রিবা মুৎতি অডু হুখিবা নিপা অডু লায়না থংবা ঙমলগনি অডুনা ননাইনা পন্দিত্তা পাওমেনজবা লাকচবিবনি। নিপা অডুগী ৱাহৈ তাবদা লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত ৱাথল ঙাইহাক থম্বরগা ফমনাইবা, হৌজিক ঐনা অথেংবা অহিং অসিদা ইতোমতা ফমডুনা লৈরমলাবা অসি ধ্যান তৌবা হৌরমলিবনি।

পন্দিতকী বাহৈ তাবদা মন্ত্রি অদু কিমনখিদুনা মহাক্না তৌরুবা, (হুরুবা) পুন্নমক পন্দিত্তা বারি লিখোক্লম্মী। পন্দিতনা নিপা অসিদগী অশেংবা থংবা ঙমলগনি হায়বা উরদুনা, হায়মু মন্ত্রি হৌজিক ঐনা হংবা অসিদা পুক্নিং শেংনা হায়দোক্লবদি ইনিংথৌগী কল্লবা দন্দি অদু ফংদনবা ঐনা ঙাকথোক্কনি। পন্দিতকী বাহৈ তাবদগী মন্ত্রি অদু নুংঙাইমনখিদুনা হায়জরকই, পন্দিত হৌজিক মুরতি অদু কোন্নগী সনথোং মমাংদা লৈবা পুত্রী অচৌবা অদুগী নোংপোক থংবা কাচিনদা থাদদুনা থমজবনি। ইনিংথৌনা থবায় হকচাং য়াওনা তুম্বা, হিপ্পা, চাবা থকপা থংদনা খিগৎলকপা অসিদা ঐ তৌকম থংদদুনা লৈবমলবনি। পন্দিতনা থৌজানবিদুনা হযেং দরবারদা ননাইবু অমুক্তং কনবিয়ু। নিপা অদুগী অশেংবা পাওদমথোল তাবদগী লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত, ফবে মন্ত্রিনা থম্মোয় শেংনা হায়রবনিনা শোযদনা মন্ত্রিগী অবাবা দশা তাগদবা পুন্নমক ঐনা ঙম্বা মথৌ কনগনি। পন্দিতনা মহাকপু কল্লগনি হায়বিরবদুদা মন্ত্রি অদু থবায় নুংঙাইনা হনখিরম্মী।

নোংঙানবগী অয়ুক্কি ফমনাইবশিং দরবার য়ৌনরক্লে লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিতসু দরবার য়োরক্লে। প্রজা মীয়ামসু কুমহৈ য়েংনিংদুনা মীনা ফিঙৌ ফোনা তিল্লরে। ইনিংথৌসু সংগাইদগী লেংথোরক্লুনা দরবার য়োরক্লে। নিংথৌনা

পন্দিত্তা হুংলকই। পণ্ডিত! নিংথৌ ঐগী থৱাইমক্তি হায়না খক্তনা লাংচবা মুবতি অমা মাংখিবা ইমিং তাবেংনি গুবে হৌজিক ফাওবা থিবা ফংদ্রি। ঐনা পণ্ডিতপু কৌবদি মুবতি অদু কনানা হুখিবনো, হৌজিক কদাযদা লৈবগে হাযবা অদু পণ্ডিতগী খংজনিংদূনা কৌজবনি। নিংথৌগী যাথং তাববদা লাঙ্গোল চাম্বা পণ্ডিত শ্রী যুং ননাই ভাব তাজরে, ননাই লাঙ্গোল চাম্বা পণ্ডিত ভবাং অহিং নোংযাযদগী থান তৌবা হৌজববনি। অহানবদা ননাইনা লাইনিংথৌদগী যাথং অমত্ত নিজনিংই। নিংথৌ হাযয় পণ্ডিত ঐনা ভম্বা ওইরবদি শোযদনা মতেং পাংগনি। নিংথৌগী অযাবা তাববদা পণ্ডিতনা লাইনিংথৌ ননাই পণ্ডিতনা লাইনিংথৌগী মাংখিবা মুবতি অমদি মতু হুক্রবা মিশক অদু ননাইনা হৌজিকমক পুথোকতুনা শিন্নজগনি অতুবু মুবতি অদু লৌরুবা মিপা অদু লাইনিংথৌনা মহাকপু দন্দি পিবিদনবা যাথং নিজবি। পণ্ডিতকী ৱাহৈদা পেল্লতুনা পণ্ডিত, নিংথৌ ঐনা হাযরিবসিনি মুবতি অদু লৌ-রিবা নিপাদু করিগুম্বা অথোবা দনদি অমত্তা পীবোই, হৌজিক ঐনা পাম্বদি মুরতি অদুতা ফংবা পামজবনি। নিংথৌগী অশেংবা যাথং ফংলবদা লাঙ্গোল চাম্বা পণ্ডিত লাইনিংথৌ মুবতি অদু লৌরিবা নিপা অদু তিল্লিবা দরবার অসিগী মনুংদা যাওরি হায়না ফোংদোরকই। পণ্ডিতকী ৱাহৈদা দরবারদা তিল্লিবা মীয়াম ৱা, ৱা লাওরতুনা মীশক অদু খংহনবিবা যাগত্রা

হাযনা ঙ্গাওনবকই।

লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত ঙাইহাক তুমিন লৈবগা কবিগী যাদনি। শোযদনা মীশক অহু মযামদা, ফোংদোক্কনি অহুবু মীশক অদু ফোংদোক্তি থৈগী মমাংদা মুবতি অহু হান্না লৌ-ক্রখিসি। মযাম পুম্নমক ফৈ, ফৈ হাযনবকই। অস্তুমনা যানরবা মতুংদা লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিতনা হায, হৌজিক এ-খোযনা মুবতি অসি লৌক্রবদা অবাযবা থবক নত্তে। কোন্নুংদগী মশক মমিং নাইবা অকনবা নিপা মবি চংগনি। মতমসিদা নিংথৌদি মুবতি অহু থুনা ফংনিংবগী মযাইনা পন্দিতনা হায-বগা কোন্নুংদগী অকনবা নিপা মবি কৌথোকতুনা পন্দিতভা শিন্নবম্মী। অকনবা নিপা মবিত্তু য়োবক্লবদা পন্দিতনা মুবতি অহু লৌকনবা কোন্নুংগী সনখোং ৱাংমা লাল্লগা লৈবা পুম্প্রি অচোবা অহু তান্না চংলম্মী। মফম অদু যোবগা পন্দিতনা অকনবশা নখোয মবি, পুম্প্রি অসিগী নোংপোক থংবা অসিদা কুমলগা লৈবিবা ভুপ অসিগী মথাদা থিযু মফম অসিদা ইনিং-থৌগী মুবতি অহু শোযদনা লৈবমগনি, এম্মা ধ্যান তৌদুনা যেংবদা মফম অসিদা মুবতি অসিনা ৱানা লৈবিবা অসি মমিং শিংবুম নিপালনি গুরে হাযদুনা সাক্ষিনাদা ফাওববনি। পন্দিতকী পাওতাক মতুং ইন্না মশা ফরবা নিপা মবি অদু নির্গ্রি তাখংলগা পুম্প্রি অদুদা চোংথদুনা খিবা হৌরকই। নিপা মবি অসিনা ঈক্রপতুপনা থিবদা পুং অনিরোম গুরক্কে অসি

ফাওবা মুবতি অতু ফংদ্রে । মতম অসিদা লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত থৱায় ৱারতুনা মুরুম, মুরুম লাই কোতি চামা নিপাল খুরুমজতুনা মমাইদগী শিন্থরকপা হুমাংনা মশা পুম্বা পুমচোং চোংলম্মী । পুত্রীদা কুমতুনা থিরিবা নিপা মরি অতুসু ৱামল্লতুনা নুংশা শোব থবেন্থ, থবেৎ হোল্লতুনা ঙাইহাক পোথাবর্মী । পুত্রীদা কুমলিবা নিপা অতুগী মবক্তগী অমনা পন্দিত্তা হঙ্গৎলকই, পন্দিত্ত ননাই ঐখোযনা ঈরুপ্তুনা থিবকপা অসি পুং অনিবোম ফারে, হৌজিক কযাম কুইনা থিখিগনি । লাঙ্গোল চাম্বা পন্দিত ৱাহৈ অসি তাবদা অঙাওবনা লোনবা চোইবোনগুম, হন্দক্না অরোই-বনি হংলকলিবা অথৌবা নংগী ননাক্তা লৈরে । মুবতি অতুনা নংবু খোবাংনা ঙাইতুনা লৈরি নং অমুক্তং নপুক্লিং চংনা লুপ্পগা থৌনিজবকউ । পন্দিতকা যাথং মতুং ইন্না নিপা অতুনা ঈশিংদা লুপথথিরম্মী । ইথং থংহৌদনা নিপা অতুনা মুবতি অতু পায়বগা ফাওগৎলক্লম্মী । তিল্লিবা মযাম অতুনা নিপা অতুনা মুব্রতি অতু পারতুনা ফাওগৎলকপা উবদা ঙকপগা লোয়ননা পুমলাং লাংলম্মী । অসুম্না ময়াম অতুনা মুরতি অতু পুতুনা নিংথৌদা কৎলম্মী । মতম অতুদা নিংথৌনা পেল্লতুনা ইপু পন্দিত ঐ য়াম্না পেল্লে, ইপুগুম্বা পন্দিত অমা ফাওবা থেংনদ্রি, হৌজিক পন্দিতনা মুরতি অসি লৌরুবা নিপা অতুমতংগা থংহনবিয়ু । নিংথৌগী

যাথং মতুংইন্না পণ্ডিতনা মূবতি অহ্ন লৌরুবা মন্ত্রি অহ্ন মথাম মমাংদা খূদোম্বীনা খিন্দুনা তাকলম্মী। তিললিবা মথাম পুঙ্গমক মন্ত্রি অহ্নদা ওনশনলহ্নুনা রেংনরম্মী। অহ্নবু নিংথৌনা হাযদোকখিবা জবানগী মতুং ইন্না মন্ত্রি অদুবু অবানবা থবক তৌদ্ধবগী দন্দি অমত্তা পিদ্রে। লাঙ্গোল চাম্বা পণ্ডিতপু পেল্লহ্নুনা নিংথৌনা পিফম থোকপা মনা মথুম অমদি লৈব'ক তঙ্খায় অমা পিহ্নুনা পালহনখি।

লাইবক

খুঙ্গং অমদা মরম ওকপা মমা, মপানা হাযবা ইনবা অঙাং অমা লৈরম্মী। নোং হেক ঙানবগা খাহৌ চন্না হোৎলগা মমায় মমিং শেংনা তাথোক্লগা মাগী নোংমগী তৌগদৌবা মথো লাইনিক ঔরাইরম্মী। স্কুলদসু মমান্নবা ময়ামদগী মীথোয় মীহেনবা ওইবম্মী। অঙাং অসি য়ুমদগী কোম্হোং খাংমা লান্না লাইবিক তম্বা কান্নবা ওইহে, শান্নবা চংলুবা ওইরবসু য়ুমদা হন্‌জনলকপদা কোম্হোং কানশন-লকপগী অত্তদা তারম্বা পোং (হংবু ওইরবসু চৈতেকপু ওইরবসু) তারম্বা পোং অমা পুশনলক্লগা পোলাংথোক্কী মথোংদা পৈশিল্লম্মী। অঙাং অসিগী মতৌ উঁবদা মমা, মপাসু পুমঙক ওকই। অতুবু অঙাং ওইবগী তৌরিবনি

খন্দুনা লৈথোকই। অসুন্না নুংতিগী নিপামচা অসিনা পুশনলকপা অসিনা পোলাংখোক মখোং অদু চিংতুম মচা যুক বাংনা পৈরম্মী। নিপামচা অসিনা তৌরিবা মতৌ অসি মমান্নবশিং অদুনসু খংলম্মী। অদুবু মহাক্না তৌরিবা অদুদি ভাব তাবা ঙমলমদে।

নোংমদি মমান্নবশিংনা লক্কসি হাযদুনা লিল অসিবা অমা পুরক্লগা মহাক্না নুংতিগী চংলমদাইদা লৈরম্বা পোৎ অমা খূনবা মফম অদুদা শাংনা তিংথোক্লগা থনম্মী। অদুগা মমান্নবশিং অদু তুমিন্না লোৎতুনা লৈরগা য়েংলম্মী। তাঙ্গা অসিদা নিপামচা অদু ময়ুমদা হনলকই। কোম্হোং চংলমদাইদা লৈবমলিবা লিল অসিবা অদু তাপ পাযবগা হন্না যেংদনা পুশনলক্লগা মহাক্না নুংতিগী থমলিবা পোলাং-খোক অদুদা য়ানশিনলম্মী।

কোন্নুংলোমদা লৈবাক নিংথৌগী মচানুপী বাজ-কুমারী অদু ঈরুজগদৌবগী মফি মরোল হোংদোকলগা মহাক্না শিরিবা য়াইওইবা খুদোপ অদু লৌথোক্লগা ফি অদুগী মথক্তা থমলদুনা নুংঙাইনা ঈরুজরম্মী। তাল্লক অসিদা ইথং থংহৌদনা অবাংবদগী লংজা অমা হুমথরক্তুনা (পায়থরক্তুনা) খুদোপ অদু ইরং লংনা লৈবা উবদা মচিঙ্গাক ওইরবোই নিংলদুনা উমদুনা পুখিরম্মী। অসুন্না লংজা অসিনা পাইথ্রপদা মরাইবক ফরবা নিপামচা অদুনা

নুংতিগী পোৎ অমমম পুশনলক্তুনা ধমলিবা মফম অদু য়ৌরক্লম্মী। লংজা অদুনা পোলাংথোক্তা লিল অসিবা ভমা য়ানবা উবদা হরাওমমগ্রদুনা মদু লাক্কদবগী ময়া কাথোরকপদা মানা উমদুনা পুরক্লিবা খুদোপ অদু লৈ-মায়দা তারক্লম্মী। অসুম্না লংজা অদুনা খুদোপ অদু থাদরমলগা লিল অদু পুদুনা পাযখিন্নম্মী।

শোমদনা কমদৌরি রাজকুমারী অসিনা ঈরুজবা লোয়নরদুনা মফি মরোল হোংদোক্লে, খুদোপ অদু থিরক-পদা থিবা ফংদ্রে। মতম্‌সিদা রাজকুমারী, কোকচাওবী কায, ঐনা ঈরুজহিঙদো কনা, কনা চংলকপগে হাথল তৌবদা কনাগুম্বা অমত্তা চংলকপা উথিবমদে। রাজকুমারী বুধি চমমনরদুনা ইনুংদা চংলক্লগা মনাইনুবিশিংদা কোয়হং হংদুনা থিবা হৌনবা মথৈ থিবে অদুবু ফংবা কৌবা লৈত্রে। অদুবনি থোকইবা থোদোক অসি মপাবুংগী মনাকোং য়োরে। নিংথৌনা দয়বারদা অঙম অথৌ ফয়া কৌ-শনদুনা মাপাগী মাংথিবা খুদোপ য়াইওইবা অদু থিনবা য়াথং পিরে। নিংথৌগী য়াথং ফংবদা অঙম অথৌ ফম-নাইবশিং অদু থিবা হৌনবমথৈ থিরে অদুবু ফংবা কৌবা মরৈত্রে। নিংথৌনা যাথং অমাযুক লাওথোরক্রে, লৈবাক অসিদা লৈরিবা প্রজা পুম্নমক তাগদবনি, কনা কনা-গুম্বনা রাজকুমারীগী খুদোপ অদু পুথোরকপা ঙমলবদি

মরম চারবদি নিংথৌ ঐগী পুক্কৈদগী অপাম্বা মনা মথুম পিগনি করিগুম্বা মরম চাদ্রবদি নিংথৌ ঐগী অকনবা দন্দি ফংগনি। নিংথৌগী য়াথংনি লাওথোকপগা লৈবাক প্রজা পুম্বা ৱা, ৱা নিল্লহুনা তান্নরম্মী।

নোংমগী অয়ুক্কি নিপা মচা অদুনা মহাক্না পোলাংথোক্তা যানখিবা অদু লৈরম্বা উদবদা মখাদা তাগ্রববা হায়দুনা কোয়েং যেংলদুনা থিবম্মী। নিপমচা অসিনা অম্নুম য়েংলকপদা মহাক্না যানখিবা পোৎ অদুদি থিবা ফংজ্রে, খুদোপ অমা ইরং লংনা তাদুনা লৈবা উরম্মী। খুদোপ অদু হেক উবদা মতিক মগুন যাম্না লৈ অচম্বা মীনা শিরমগদবা মান্দে। নিপামচা অদুনা খুদোপ অদু খুল্লগা মমাদা পিবম্মী। মমানা খুদোপ অদু উবদা, মচানিপাদা কদাইদগী পুবল্লিবা খুদোপনো হায়না পাখৎনা হংজে। মচানিপা অদুনা অশেংবা ৱারি অদু মমাদা লিরম্মী। মমানা মচাগী ৱারি তারগা খুদোপ অসি অচমবা খুদোপ নত্তে মশক নাইবা নিংথৌগী মচা মগুনা শিবা মগুল লৈবা খুদোপনি খংলম্মী। মতম অসিদা অহল ওইরবী মমানা খংনিং নিংশিংলকই। লৈবাক নিংথৌগী রাজকুমারীগী খুদোপ অমা মাংখি হায়দুনা নিংথৌনা অকনবা পাও অমা ল্যাওথোকখি। মদুগী খুদোপ অদু ওইরমদুনা খংখি তাখিবা থোক্লবদি ঐখোয় শোয়দনা নিংথৌগী দন্দি ফংগনি অদুনদি ঐখোয়না হান্নমা নিংথৌদা হঙ্গংহোবনা কৈ খন্দুনা মমা, মচা চৎমিন্নদুনা খুদোপ

অদু নিংথৌদা পিরদ্রনা কৎলম্মী।

মমা, মচানা খুদোপ অদু নিংথৌদা পিবদা নিং-থৌনা মমা, মচা অদুবু ঙক্তক তৌই। মচানুপিদা মাংখিবা খুদোপ অদু চুম্বা য়েংহনবদা মাংখিবা খুদোপ অদু ওই-রম্মী। অশেংবা থংলবদা নিংথৌনা খুদোপ পুবকলিবা মমা মচাদা মতৌ করম্না খুদোপ অসি ফংলকপগে অশেংবা বারি বাখোং শেংনা লিম্মু মরম চারবদি নিংথৌ ঐঙোন্দগী মনা মথুম ফঙ্গনি, অদুগা মরম চাদ্রবদি অকনবা দন্দি ফঙ্গনি।

নিংথৌগী যাথং তারবদা অহল ওইববী নুপিদুনা মচানা খুদোপ অদু ফংলকপগী বারি বাখোং অদু মন্থিক চুম্না লিরম্মী। মমা, মচানা থম্মোয় শেংনা নিংথৌদা বারি লিরবদা নিংথৌনা মমা মচাগী থম্মোয শে বা উবদা পুক্কৈদগী সনা, লুপা পুথোক্লনা মমা মচাগী মপুন্সি লেনবা কোম্লনবা পিরম্মী। অসুম্না থম্মোয় শেংনা থবক তৌরুবনা মমা-মচা নুংঙাই য়ায়ফনা পুন্সি মরা তপ্না পানখি।

লৌশিং অমদি লন্থূম — করম্বনা হেনবগে ?

মতম অমদা চান্নববা মরুপ অনিথক লৈবম্মী। অমনা লৌশি অমসু জ্ঞান লৈবগীদমক অড়ুগা অতোপ্পা অমড়ুনা লন্থূমগীদমক মমি চৎলম্মী। মরুপ অনিড়ু মতম পুন্নমক্না লৌসিংগা লন্থূমগা করম্বনা হেনবগে হায়বগী ৱাফমদা মরৈ হেক হেক য়েৎনরম্মী। ইনাকথূনবা মরুপ অড়ুনা হায়রম্মী, " মহৈ-মশী হৈবরু ওইবরসু লৌশি লৈবা নুপাবু ওইরবসু মঙোন্দগীদি মরল-লথুম লৈবা নুপা। অমনা যাম্না শাথীনা হেল্লি হায়হা ৱাফমশিদা চিননিংঙাই অমত্তা লৈতে।

রাফমসি তাবদা লৌশিং লৈবা মকপ অতুনা মোমোন নোংবম্মী অতুগা হায়বম্মী, "পৃথিবী অসিদা নিংথৌগুম্না ইনাক খুন্নবস্তু অপঙবা মীগীদি মফম লৈতে । হায়বা অমস্তু লৈ, "হে ঈশ্বর ঐহাকপু মাইবা অমদি লৈঙাকপশিংদগী বর্নবিয়ু ।" মসিদা ঐনা মসিমস্তু হায়চল্লিংই, "হে ঈশ্বর ঐবু অপঙবশি-দগী, থোইদোক্না ইনাকখুনবা অপঙবশিংদগী কনবীয় ।"

মখোয় অনিগী যেৎনবা রাফমন্থু পাক হেক লোই-শিননা যাবনদে । ফল হানা ডমড়ুনা মখোয় অনিনা অহল লমন থংনা মনাক্তা অহুম নিচম যম্না চংলম্মী । অতুবু লৌশি লৈবা কাঙবুনা লৌশিনা লন্তুমদগী চৈথেল্ল হায়রম্মী । অতুগা ইনাক খুনবা কঙবনা লম্হুম্না লৌশিংদগী হল্লি হায়-রম্মী । রাফমশি অতুনস্তু মহোয় অমা লেনহনবা ভত্রনদে । মতম অতুনা মনৈথংদা মখোয় অনিনা নিংথৌগী চেংথংদা মোন হৈবিনা মন্ত্রীগী মনাকতা চংলম্মী । অতুবু মখু অতুনস্তু মখোয় অনিগী লুনবা দৃতংগী থংখুম পীবা ভুল্লমদে মতম অদুনা মন্ত্রিনা মখোয় অনিবু নিংথৌগী মনাক্তা থাবম্মী ।

তুমিং খবনিগী মতুংদা তুপা অনি অদু নিংথৌগী মনাকতা লাক্লবা হায়বম্মী । নিংথৌনা যান্না চেকশিন্না মখোয় অনিগী হেৎনবগী রাফমদু তাবম্মী । অদুগী তুংদা নিংথৌনা চিঠি অমগা লমনমা তুপা অনিদু মখোয়বু নিংথৌগী মনাক্তা [illegible] মন্ত্রী অদগী মফমদা থাবম্মী ।

মন্ত্রিনা নিংথৌগী চিঠি অদু পাবল্মী অমসুং চিঠি মখক্তা "মখোয়বু হাংলু" হায়না থাবিবদু উবদা ঙক্লম্মী। মন্ত্রি অদুনা নুপা অনিদু জেলদা থাজিল্লম্মী। নুপা অনি অদুনা মবাল লৈত্রবা ৱাহৌ অদুগীদমক কংলিবা দমা অদুদা মথৱায যাম্না নুংঙাইরমদে। মখোয় অনিদু মনৈ যেংনবগী ৱা-খল্লদু কাউথোক্লম্মী অমসুং মখোমগী শাজৎ অদুগীদমক নিংঙমল্লক্লমদে। মখোযনা যাম্না ৱানা জেলগী অমমবা কান্দা লেল্লম্মী। ইনাকথুনবা নুপা অদুনা শোল্লম্মী, "ওঃ! ঐগী লাইবক অসি ওইহোক্না থীখ্রেদা! ঐগী লম্বুম মনামসি কনিবু কান্নগদগে, ঐবু অশিবনা থোংজিন্দা ঙাই-দুনা লৈববদা? ঐবু অৱাবা অসিদগী কনাগুম্বনা কনবি-রবদি ঐনা ঐগী লম্বুমসি তঙ্গা অমা মচাোদা পীগনি।"

নুপা অনিদু মাগী মরুপ নোশিং শিবদুনা তা-রম্মী মহাক্না হায়রম্মী, "অদু ওইরবদি নংগী ৱাশক্তু চে অমদা ইয়ু অদুগা নশাগী শোইদু তৌ।" অশিবা অদুনা চেং কাংলগা মাগী মকপ্তা লাম্নশিল্লম্মী। ইনাক খুনবা নুপাদুনা চেদুদা মাগী ৱাফমদু মচা থায়না ইমগা শোই তৌরম্মী অদুগা মাগী মকপ্তা পীরম্মী। মকপ্পুনা চেদু মাগী ফুরিংখাউদা চেংনা হাপচিল্লম্মী। অদুগী তুংদা লৌশিং লৈবা অদুনা সন্ত্রি অদুদা মখোযবু মন্ত্রিগী মনাক্তা পুবিনবা হায়রম্মী। মহাক্না হায়জবগী মতুংইন্না মখোয়বু

মন্ত্রিগী মনাক্তা পুৱম্মী। অদুদগী লৌশিং লৈবা অদুনা মন্ত্রিদা যাম্না থম্মোয শোকপা খোনফমদা হয়রম্মী, ‘ইবুংঙো, ঙসি নুমিদাংৱাইবম অসি ঐখোযবু হাৎপিনবা ঐখোয়না নঙোন্দা হাযজয়ি। ঐখোযগী অরোইবা অনিংবা অসি যাবিদবা তৌবিগনু।’

মন্ত্রি অদু হাযফম থংদনা ঙক্লম্মী। মসিগুম্বা ৱাফম অসি কনাগুম্বা অমত্তনা মমাংদা হাযখিবা লৈখিদ্রি। মহাক্না হাযরম্মী, ‘কবিগীদমক্তা নখোয়না ঐঙোন্দা নখোযবু হাৎপিনবা অস্নুক থৱায যাওনা হায়জরিবসি মরম কবি-গীনো ? মীওইবা হায়বসিদি শিনিংবা কনাসু যাওবা নত্তে। শিগদবমক লৈরবসু পুংজা থবদং চোম্বববদি ফগ-নিদ্রা থন্নবিবা ঙাক্তনি। অদুবু কবিগীদবকতা নখোযনা শিনিংলিবনো ?’

অশিংবা নুপা অদুনা খুমলম্মী, “ইবুংঙো, মীওইবা হাযবসি শিবা নাইবা জিবনি অমসুং নোমদি শোযদনা শিবগদবনি। ঐখোয়না শিবদা তশেংনা কবিবু কান্নগদগে ? অমবোমদা হাযবগসু, ধম্মগী অশেংবা লাইবিকশিংদা ইদুনা লৈব্রি মদুদি মৱাল লৈতবা মীশি অসিদি স্বর্গদা মাগী মফম চাওনা থাকতুনা থমলি। ঐখোযদি মৱাল লৈতবা মী ঙাকতনি, অদুনা ঐখোযগী থৱাযনা হকচাংবু হেক থা-দোকপদা স্বর্গগী দূতশিংনা ঐখোযবু স্বর্গ তান্না পুবিগনি।”

অসি হায়বতুনা অশিংবা নুপা অতুনা স্বর্গবোমদা মমাই ওন-খংলগা মকোক অতু হাযবন্মী।

মন্ত্রী অতু মপুক্লিং ওল্লম্মী। মহাক্না মবাল লৈতবা মী অনি অতু শিনবগী খুংলাই ওইবতু পাম্রমন্দ্রে। মহাক্না নিংথৌদা ইবন্মী মতুদি মহাকনা নিংথৌগী হুকুম অতু পাঙ-থোকপা ঙম্মবোই অমসুং মতু পাংথোক্রবদি মহাক্কী ৱাখলগী মাযোক্তা থবক তৌবা ওইনা থোক্রগনি।

মরুপ অনিতু মন্ত্রীগী অইবা অতু পুবগা নিংথৌগী মনাক্তা চৎলম্মী। মন্ত্রীগী চেতু পাবগা নিংথৌতু ঙক্লম্মী। মমাংদা কৈদৌঙৈদসু মন্ত্রীনা নিংথৌগী হুকুম ইন্দবা তৌখিদ্রি। নিং-থৌনা কবি মবমদগী মন্ত্রীনা মপুকচেন্দ ওনখ্রিবনো হাযবতু খল্লম্মী। নিংথৌনা কুপ্না থিজিল্লম্মী অমসুং অশিংবা নুপা অতুনা থোকখিবা পুন্নমক নিংথৌগী মফমদা তম্লম্মী। মহাকা মাগী মরুপ ইনাক খুনবা অতুগা মখোয অনিগী মবক্তা ঙাং-খিবা অমসু অতুগী তুংদা মন্ত্রীগী মমাংদা ঙাংনখিবা পুন্নমক মচা থাইনা নিংথৌগী মফমদা তম্রম্মী। মহাক্না মাগী মরুপ্না মথরায কনবিবা মীদা মাগী লম্মুমগী তঙ্খায অমা পীগনি হাযখিবা অইবা চে অদুসু নিংথৌদা উংলম্মী।

নিংথৌ অতু মপুক্লিংদা অপেনবা অমা পোক্লম্মী। মহাকনা মন্ত্রীবু অপংবা শিবন্না অশিংবা নুপা অদুগী হৈ-শিংবা অদুবু থাগৎতবা ঙম্নমদে। মহাক্না নুপা অনিদু থাদোকপীবন্মী

অত্তগা হায়বন্মী, " নখোয় চৎনি-বা মফমদা চৎপা যাবগনি। ইনাক থূনবা নিপানা মাগী থৱায কনবিবা হৈ-শিংবা নূপাদা মাগী লম্বূম তঙ্খায অমা পীগনি হায়না যাখিবনা মহাক্না হান্নবা লোশিংনা হেল্লি হায়বত্তু মশানা যাজবে। লোশিং লৈবা নূপা নওনা নওগী মরুপ অমস্তু নশামকপ্ নাম্বোক্লবা হোৎনবদা নত্তনা নশাগী লম্বূম যাম্না তান-শিল্লে। চৎলো, ঈশ্বরনা নখোযবু থোজানবিবা ওইসনু।

মরুপ অনিত্তু লম্বূমত্তু তঙ্খায যেন্নবন্মী অত্তগা নূ-ঙাইনা পান্নম্মী।

পুরোহীত

পুরোহীত ভসি মপা শিখিবদগী মপাগী মহুৎ শিন্দুনা পুরোহাতকী থবক পুবা ইকুই কুইদ্রি। মগাক থুঙ্গ অমদা লৈব্রবসু ম্যাগী মপু ওইৰগা শক্তি ভাড়দি অতোপ্পা লোন্নবা থুঙ্গদসু শন্দোক্লম্মী। পুরোহীত অডুনা লৈব্রিবা থুঙ্গ অডু যাম্না পিকপা য়ুম খরতমক তাবা থুঙ্গং ওইবম্মী। থুঙ্গগী চমলবা মীশি অডুগী মথক্তা পুরোহীত অডুনা মপু ওইবা ৱাথলগী লুমলবা ৱাযেল চৈরাপ পীরম্মী। মীশি অডুনা মাগী মৱা তাদনা করিগুম্বা অমতা পাও-থোকপা ঙমলমদে। হিংলিবা অমসু শিৱবশি না মখোৱগী

মথৎবায় নুংঙাইনা অমসুং ইংনা লৈন্নবগীদমক পুরোহীত অদুগী থবক চঙদবা লৈরমদে। লুহোং থোংদোংবা ফাওবদা মাগী মবা তাদ্রবদি কৈন্যা অদুনা ইযুংদা ফত্তবা পুরক্কনি খল্দুনা তৌনরমদে। মীশিং অদু অসুক্কী মতিক চমলম্মী মদুদি মখোয়না পুবোহীত অদুগী শুক্তোকপা মায়থোং অমসুং মাগী অশাউববু য়াম্না কিজরম্মী অমসুং মদুনা মখোয়দা মরাইবক ফত্তবা পুরক্কনি থাজরম্মী। শম্না হায়রবদা পুরোহীত অদুগী মপু ওইবগী ওমথৈ মপান নাগ্নরমদে অমসুং থুঙ্গং অদুদদি মহাক্না পুমঙপ শুপ্লম্মী।

হায়রিবা থুঙ্গং অসিদা নহা অমা অহল ওইরবী মমাগা লৈমিন্নরম্মী। নহা অদু মাগী তপ্পা, চিংলেম্বগীদমক মীয়াম্না লুনা অমসুং নুংশিনা তৌরম্মী। মতম অমদা মমাগা লোয়ননা তীর্থ কোইবা চৎলম্মী। মখোযনা মশক মতৌ ফজরবী লৈশাবী অমা থেংনরম্মী। লৈশাবী অদুগী মমা মপানা পাখং অদুবু য়াম্না পামলদুনা মচানুপী অদু পাখং অদুদা লুহোংনবা বা হৌদোক্লম্মী। লৈশাবী অদু থুঙ্গংদা লৈবা লৈশাবীশিংদগী য়াম্না হেন্না ফজবা মরমনা পাখং অদুগী মমামা বাফম অদু য়ারম্মী। থীন্দনা মখোয় অনি অচম্না মওংদা লুহোংবিরম্মী।

অহল অদুনা মচানুপা অমসুং মমৌনুপীগা লোইননা মরমদা হৌরক্লম্মী। মহাক্না মচানুপাগী লুহোংবা

হৱাও কুম্মৈ পাংথোকপা ওইনা খুঙ্গংগী মীয়াম্না ওক্লবা থৌরং তৌবম্মী। পুরোহীত অদুস্না বার্তন তৌবম্মী অদুবু মহাক্না শুকতোকপগা লেইননা যারম্মী। পুরোহীত অদু য়াম্না শাও-বম্মী। মহাক্না হায়বম্মী, "মীশিং অসি হাম্না তৌখিদবা থবক যাম্না তৌবা ওয়ক্লে। মখোয়না মাগী অয়াবা লৌবস্তু তৌদে অদুগা লুহোংবদা বার্তন তৌবকপস্তু তৌদে। অসি-গুম্বা অসি মতিকচানা ৱারক্তুবদি লেম্না তোকপা যাদে। নত্রবদি মী অতৈস্তু মতৌ তম্নবক্কনি। মদুম তৌবক্কি মাগী মপু ওইবগী শক্তি অদু হন্থবক্কনি অমস্তুং মীশিংনা মাবু ইকায-খুম্নবা অমস্তুং মাগী য়াথং ঙাকপা অদু তোক্লক্কনি। ওইজ-ওইথক, লন্তুম ফংলগা অদুস্ত তোক্লক্কনি। নত্তে মসি সুকা যাবোই, ঐনা যাম্না কৈ-শিংনা থবক পায়খৎতবা যাদে।"

ৱাখল অসিগা লোয়ননা পুরোহীত অদুমা মীয়াম ওকপগী থৌরম অদুদা চৎলম্মী। হন্নুবী অদুনা মাবু ওকপা অমস্তুং মখোঙ শোক্তুনা খুকপ্না অদুদা মহাক্না মখূৎ থাজংলদুনা বব পীবম্মী। অদুদগী পুরোহীত অদুবু কৈন্যা অদুদা বব পীবী-নবা পুশিন্নম্মী। কৈন্যা অদু মাগী মমাংদা পুবক্লম্মী। অদুবু মহাক্না কৈন্যা অদুদা বব পীবগী মহুত্তা মাবু মাগী মমাংদগী পুথোকখিনবা হাগবম্মী। মহাক্না চঙক্লবব্বা মনেম্নোক অদুদা হায়বম্মী, "মাগী ফত্রবা মঙ্গাই অসিনা নখোয়গী ইমুংবু মং-থাকহন্দ্রিবেদা কৈন্যা অসি তান্থোকখো।

ফজ্রবা ময়াই হায়বা ।" হন্নবী অদুনা অকিবগা লোইনা হায়রক্লম্মী । "নহাক্না মাগী ফত্তবা ময়াই অসি কোক্কনবা করিগুম্বা থর তৌবিবা য়ারোইদ্রা ?"

-পুরোহিত অদুনা মঙক হায়রম্মী । মহাক্না য়াম্না নুংঙাইতবা মায়থোং উৎলদুনা হায়রম্মী, "নুপী অসি ফত্তবী পুপীনি অদুনা করিগুম্বা অমত্তনা মসিবু কোকহনবা ঙমলোই ।"

মথবায় নুংঙাইত্রবা বর অদুনা যাম্না লাংতক্লনা হায়বক্লম্মী, 'অদুদি ঐখোয়না করি উপায় তৌগনি ?'

' উপায অমথক্তংদি লৈ, নঙনা নখোয়গী শোয়দনা মাংলগদবা ইমুং অসিবু কন্নিংলবদি । মদুদি লৈশাবী অসিবু ইন্নুং অসিদগী তাহোকখিবনি । নখোয়না চিংনবা অমত্তা লৈত্তনা মদু তৌগে যারবদি ঐনা লম্বেল অমা তাক্কনি । মহাকপু উগী উপু অমদা হাপচিল্লো অদুগা তুবেলদা থাদো । মহাক মরাইবক্না তম্বনি অৱা-অনা থরা নংজসন্নু । অদুগা নখোয়না শোয়দনা কাও-রোইদোবা অমগা লৈরি । উপু মন্নুং অদুদা মহাক্না মপামদগী পুরকপা লীক-কোলশিংদু অমত্তা চিথদনা হাপ-চিল্লু । করিগুম্বা চিথবা য়াওরবদি ফজ্রবা ময়াই অদু অসুম লেংদনা লৈগনি ।"

মরাইবক থীরবী লৈশাবী অদুনা মহাক্কী অকিবগী মশক ওইরবা মরাইবক অদুদগী কনবিনবা লাউ-খোংদুনা

কপ্লম্মী।' অদুবু মাগী কপ-লাওবত্তু তাবিনবা কনামত্তা লৈরমদে। নুমিদাংগী মতমদা মখোযনা মীপাইরবা নুপী অদুবু পুনশিনলম্মী অমসুং চাওরবা উপী উপু অমদা মাগী লৈতেংশিংগা হাপচিল্লম্মী অদুগা উপু অদু তুবেল্লদা থাদ-রম্মী। উপাল লৈত্রবী নুপী অদুনা ঈশংদা মাবু কনবিনবা হায়জবা নংতনা অতৈ তৌনিংঙাই লৈরমদে। উপু অদু নংদা অমসু চীংমাযদা ঙাখু খেংথুদুনা ঈচেলদা তাওথ-রম্মী। মদুম্না ঙাইহাক তাওথরবা তুংদা উপুদু লৈংেরোয়দা যেশিল্লম্মী। নুপী অদুনা উপুদু তোর্বানলোমদা চীংখংপা অমসুং হা দোকপা খেংনরম্মী। থাবল মঙালদা মহাক্না নুপা অমা উবম্মী অমসুং কিবনা পাখৎলম্মী। মহাক অসিবু ডাকু ওইরমগদ্রা হাযনা নুপী অদুনা খল্লম্মী।

অমরোমদা নুপা অদুনা নুপী অমা উপুদুগী মনুংদা পুন্দুনা লৈবম্বদু উবদা ঙকপগী ঙমখৈ লৈরমদে। "কনানা অসিগুম্বা তমথিরবা থবক অসি তৌরক্লিবনো?' মহাক্না হক্লম্মী। মহাক্না পুল্লিবা খোবাদু লৌথোক্লম্মী অদুগা হায়-রক্লম্মী, "কবিমতা কিগনু, ঐঙোন্দা পুন্নমক তম্মু। ঐনা ঙম্মখৈ নংগী নতেং পাঙগনি।"

থৌজাল হৈরবা বাহৈশিং অদু তাবদা নুপী-অদু থবায় থরা হন্দাওরম্মী। মহাক্না কপ্না কপ্না নুপা অদুদা মাগী বারী লীরম্মী। নুপা অদু হায়নিংঙাই লৈতনা শাউরম্মী।

"পুম্নমক অসি ফজরবা পুরোহীত অদুগী খুডিল থোইবা ঙাক্কনি।" মহাক্না যাম্না শাউনা হায়খ্রম্মী। নুপা অসিসু পুরোহীত অদুগী থুংগী মী ওইরম্মী। মতম অদুনা মহাক্না পুরোহীত অদুগী মপুকচেল পিকপা অমসু মাগী নমাং-শাঙৎ পুম্নমক মুন্না খঙলম্মী। মহাক্না পুরোহীত অদুবু পাবা অমা তীগে লেপ্রম্মী।

নুপা অসি যোঙ লোইবা, শিকার তৌবা অমসু মাংখাসর যোংগা পৈশা তানবা নুপা ওইরম্মী। মহাক্না শাহীদবা যোঙ অমা উপ অদগী মন্নংদা হাপচিন্নম্মী অদুগা উপু অদু তাবেলদা অমুক ইন্থন্নম্মী। মহাক্না হায়খ্রম্মী, 'ফজবা পুরোহীত অদু তুবেল মপালগী মফম অমদা শোয়দনা চাইদনা লৈরমগনি অদুনা মসিনা মঙোন্দা অফবা পাবা অমা তমবীবগনি।'

অশেংনমক পুরোহীত অদু থবা লাপ্তক্না তুরেল মপান্দা যাম্না খোরাঙনা ঙাবদুনা লৈরম্মী। মহাক্না মখা লুপাগী লৈতেংশিং অদু লোমগা নুপী অদুবু ঈশিংদা ইনাক্ন হন্নবা খোবাঙ তৌরম্মনি। মহাক্না নিলগবদগী উপু অদু থেথনা লৌবকপা অদুদা মহাক ঙক্রম্মী। কনাগুমবা ভুবানবশিনা উপু অদু মাগী মনাক্তা লৌবক্তিদ্রদো লমথাদা সনা-লুপাশিং অদু লোথোকখ্রবা ফিনদ্রম্মী। অদুবু মুশিং মুশিন্নবা থাবল মঙাল অদুদা মহাক্না উপু অদু উংকপা

অদুদা অবাবা কোকপগী ন্নংশাশ্বব হোন্দোক্লম্মী। মহাক্না ইংলবা ঈশিংদুদা চোংথরম্মী অদুগা উপুড় তোর্ব্বান্দা চিংখৎলম্মী। মহাক্না কনা অমত্তনা মাবু উদে থাজরদুনা উপুড় চেকশিন্না হাংদোক্লম্মী। নাহোক্লবগী তাঙ্গা ফংলদুনা হবাওববা যোঙ অদুনা খংচোং চোংখৎলম্মী অমসুং থাজদ্রবা পুরোহীত অদুগী মমাযদা খোৎলম্মী। পুরোহীত অদুনা অকি-অখংগা লাউরক্লম্মী অদুবু যোঙ অদুনা মঙোন্দা কোনশিন্দুনা খোৎলম্মী। পুরোহীত অদুগী মমিৎ-মমায ঈহিং-নাহিং শারম্মী। মমৈথংদা যোঙ অদুনা চোংথরগা অমম্বা মহক্তা মাঙখিবম্মী।

নুপা অদুনা নুপী অদু মপুবোইবগী মযুমদা থিন বীরম্মী। তান্নক অদুদদি পুরোহীত অদু যোঙ অমনা ঈহিং-নাইহং শানা খোত্তৎপিবে হাযদুনা বা বা লাউনবম্মী। মীয়াম্না পুরোহীতকী অমোংপা, অতোনবগী থবক অদুবু নীন্দা তৌনবম্মী।

ইজং মাঙলবা পুরোহীত অদু খুঙ্গং অদু থাদোক-তুনা চংখিরম্মী অমসুং তুংদা কনামত্তনা মাগী মবা মপাও তাখিদ্রে।

রানী মকোক

শীঙজনবগী মচান্নপী রানী, অচৌবা উমং অমগী মনাক্তা পিক্লবা খাঙপোক অমদা মমা-মপাগা লোইননা লৈমিন্নরম্মী। নোংমগী ন্নমিংতা মমানা কৈথেন্দা চংখিঙৈদা রানী মপাগা লোইননা লৈহোরম্মী। মপানা রানীবু উজাও অমগী মখাদা তুমহল্লম্মী। অদুগা মহাক্না মরুপকী ময়ুমদা চংখিরম্মী, তাঙ্জা অসিদা ক্লাক অমা লাক্তুনা রানীনা মখাদা তুম্নিবা উজাও অদুগী উশা অমদা তোংলম্মী। ঙাইহাক লৈরগা ক্লাক অদুনা রানীবু মচিন্না চিক্তুনা মকোন্দা চেনখিরম্মী। ক্লাক অদুনা মকোল অদু চাওনা শারম্মী অমসুং উহৈ-বাহৈনা থন্না হাপ্লম্মী।

ক্বাক অড়ুনা বানীবু য়াম্না চেকশিন্না নে শিন্নম্মী, অমসুং হাওর-হাওব্বা উহৈ পাজব্মী। বানা খুন্নমক মশা-মউ ফবা অপ্তাং অমা ওইবক্লম্মী। ক্বাক অড়ুগী বানীগী অসুম অসুম শু শিনবা হেনগংলম্মী। ক্বাক অড়ুনা মাকোন্দগী পাইথোকপ্রীঙদা খানীনা উঙগী কুমথব্গী উপাল মংক্তা চেন-চোংড়ুনা শান্নব্মী। মহাক্কা মপুক লাম্নক্রবা মতমদা মফম অড়ুদা হৌহিবা হাও-বা উহৈ-বাহৈ হেক্তুনা মপুক থন্না চাবম্মী। বানীনা উমংগী উর্দী বাবা, উপাল লৈ-শশিংগী নোংমা নোংমগী শকথওনবা হেনগংলম্মী। মহাক্কা বনগী উচেকশিংনা উশাদা তোংলগী নুংশিনা ঈশৈ শকপড়ু তাবা যাম্না পাম্নম্মী। মহাক মশাসু মখোল যাম্না নুংশিংম্মী। মহাক্কা লমলক্কী লৈশিংগী লৈ-পবেং লেংলিংঙদা নুংশি নুংশিবা ইশৈ শক্লম্মী।

মতম্না অসুম হৌখিবগী লোইননা বানী মশকমতৌ ফজবী লৈশাবী অমা ওইরক্লম্মী। নোংমা মহাক্না লৈপবেং লেংলিংঙদা নুংশিনা ঈশৈ শক্লম্মী। তাঞ্জা অড়ুদা লৈবাক অড়ুগী নিংথৌনা বন অড়ুদা শা তানবা লাকপদা বানীগী মনাক যৌদক্লম্মী। মহাক্কা বানীগী নুংশিবা ঈশ অমসুং মশক মতৌ ফজবা অড়ুদা ঙক্লম্মী। বানী ফিজেৎ-ফিগায শেংলবসু মাযথোং অড়ুদি মকা লাম্না ফজরম্মী। মমাংদা মখল মখলগী মচুগী লৈয়াম্না পৈড়ুনা

লৈরম্মী। মত্তু পুন্নমক অদু উবদা নিংথৌ অদু পুমশুম শুম্মাংলম্মী। মহাক্কা মাগী শগোলদগী কুমথবক্লম্মী অদুগা রানীগী মনাকতা চঙশিল্লম্মী। নিংথৌনা রানীদা মাগা লুহোংনবা হায়রম্মী। রানীনা য়াবম্মী অদুগা নিংথৌগা লোইননা কোন্নংদা চংখিবম্মী। মহাক্কা নিংথৌগী অহুম-শুবা রানী ওইরম্মী।

রানী তরুম্মক লোইনা মশক মতৌ ফজরম্মী। অদুগা নিংথৌনা কনাবু রানী মকোক ওইহনগদগে হায়বদু খল্লগদে। মহাক্কা মথোয অহুমবু চাংযেং অমা তৌরগা রানী মকোক খল্লবা লেপ্পম্মী। মহাক্কা রানী অহুম্মকপু কৌরম্মী অদুগা হায়রম্মী, "ঐনা নখোয়গী মবকতগী রানী মকোক খল্লিংই। অদুবু নখোয পুন্নমক অসুক্কী মতিক ফজে অমসুং ফে মতুদি ঐহাক খনফম খঙদ্রে। অদুনা নখোয়গী নবুক নাদনবা ঐনা নখোযবু চাংযেং অমা তৌগে লেপ্লে। নখোয খুদিংমকতা অহাওবা শিংহাসন অমমম পাগনি। মদু মখোযগী অপাম্বা মতুংইন্না ফজনা লৈতেংগদবনি। শিংহাসন্দু খ্বাইদগা ফজনা লৈতেংবা হৈবী রানী অদুনা ঐগী তথোইবী রানী ওইগনি।"

রানীশিংদু য়াম্না থুনা মাগা মাগা লেফমদা হনখিবম্মী। অহানবা অমসুং অনিশুবা রানী অদুদি নিংথৌগী মচা-নুপী ঙাকতনি। অদুনা মখোয় অনিদি শিংহাসন অমা

করম্না লৈতেংগদগে হায়বত্ত নিংথিজনা খংলম্মী। মখোয়না লৈপাক অদূগী খ্বাইদগী মথুং-মশা হৈবা মীশিং নেক্লম্মী অদুগা বানীশিংদুগী অপাম্বা মতুং ইন্না সিংহাসনশিংদু লৈতে হল্লম্মী। অহানবা বানীনা সিহাসন্দু মমল যাম্রবা, লনা ফজববা মণি-মুক্তাশিংনা হত্তুনা লৈতেংহল্লম্মী। অনীশুবা বানী অদুসু মণি-মুক্তাগী ফজ ফজববা লৈশিংনা সিংহাসন্দু লৈতেংহল্লম্মী। থবক শুবা শিনমীশিং অদুসু মখোয়না ভমজবী থাদুনা লৈতেংনবা হোংনবদা মখোয় যাম্না চিল্লম্মী।

অহুমশুবা বানীগী লৈফম অদুদি পুমচিক চিক্লম্মী। মদুম তৌবা অদুদা অতৈ বানীশিংদুনা কবেম্নদুনা নোক্লম্মী বানীদু মথবায যাম্না নুংঙাইবমদে। বনগী উৰী ৱাৰী, লৈশু মবক্তা চাউবক্রবী মহাকপু করম্না সিংহাসন লৈতেবা হৈগদগে? মহাক্না নুংবংননা ফমদুনা লৈবিংঙদা কাক অমনা হৌনা খোংবা তাবম্মী। কাক অদুনা মাগী কোকথক্তা পাইখিবা মতমদা থাও অমা বানীগী তম্পাক্তা থাদরম্মী। মহাক্না থাও অদুগী মমুংদা মনা-মশীং থব ৱাওবা থেংনবম্মী। মহাক্না মদু ঈশিংদা হাপচিল্লম্মী অদুদগী বানীনা সিহাসন্দু ঈশিং অদুনা তৈশিল্লম্মী।

নুমিৎ তাখিরম্মী অমসুং মফম থুদিংদা অমম্বা শন্দোকলম্মী। নিংথৌ অদু ফম্নাইবশিংগা লোইননা শিংহাসনশিংদু

য়েংবা লাক্লম্মী। অহানবা ৱানীগী সিহাসন অদু শিলিং-দগী য়াম্বিবা থাওমৈগী মৈঙান্দ ইবং লংনা নিংথিবম্মী। অনীশুবা ৱানীগী সিংহাসন অদুস্তু য়াম্না ফজবা অমা ওইবম্মী। অদুবু অহুমশুবা ৱানীগী সিংহাসন অদু উকবদা নিংথৌ অদু হাযফম খণ্ডদনা ঙক্লম্মী। সিংহাসন অদু মথক্তা থাওমৈ লিশিং লিশিংনা থানবগুমনা লংলম্মী অমসুং ফজরম্মী। নিংথৌনা মহাকপু "ৱানী মকোক" থল্লম্মী।

মসিদা ৱানী অতৈশিংদু য়াম্না কল্লক্লম্মী অমসুং মখোয় মশেল ঙাংনরম্মী, "ঐখোয়বু হুন্দোক্লগা বনগী লৈশাবী অমবু ৱানী মকোক ওইহনবসি ঐখোয়বু ইকাইবা পীবা অমসুং য়াম্না চুমদবা থবক্নি।"

ঐখোয় মাবু তাম্বোক্লবা তৌসি, অনীশুবা ৱানীনা হায়রক্লম্মী। মরম অদুনা মখোয় অনীনা ফত্তবা থুজিল থৌঘাং অমা পাঙথোক্লবা শেম-শাবা হৌরম্মী। মুমিদাং-বাইরম অদুমকতদা ৱানীশিং অদুনা তুরেল মপান্দা হবা চাবা চংথোক্লিঙৈদা অতৈ ৱানীশিং অদুনা ৱানী মকোক অদুবু তুরেলদা ইম্থিরম্মী। অকনবা ঈচেল অমনা ৱানীবু চেম্থবম্মী, মহাকপু মতেং পাঙবিনবা হৌনা হৌনা লাউরম্মী। মহাকপু য়োকপিরকপা কাক অদুনা মাগী খোল্লাও অদু তারম্মী। কাক অদুনা ঙাইওমদনা অমসুং

হৌনা লাক্লা লাক্লা খোংলম্মী। খূদকতা কাক শঙ্গু অমা পাইবক্লম্মী। মখোয়না ইরাক্লবীবা বানা অদুগী মক্কি অদু চিক্লম্মা অদুগা তোর্ব্বান্দা চিংখংলম্মী।মখোয়না কোন্নুংদগা যাঙ্গা লাপ্পা তোর্ব্বান মচি অমদা বানীগীদমক অপিকপা খাওপোকশঙ অমা শাবম্মী অমসুং মদুদা বনগা উ'হ বাহৈশিংনা থন্না পৈশিল্লম্মী। বানীনা মফম অদুদা মথবায নুংঙাইতনা অমসুং বানা লৈরম্মী।

অতোপ্পা রানী অনীদুনা কোন্নুংদা হন্নক্লগা নিংথৌদা বানী মকোক অদু ঈশিংদা তাদুনা ঈবাক্লখ্রে তম্লম্মী। নিংথৌ অদু বাবনা মবোল থোক্লমদে। য়ামনা কন্না খিদুনসু বানী মকোক অদুবু থাবা ফংলমদে। নিংথৌদু মাগী অচানবী রানী অদুনা লৈত্রবদা কপ্পুনতা মতম লেল্লম্মী। মতম কুইনা তেংথাদুনা লেল্লুববা মতুংদা নোংমা লাউথোক্লম্মী, "ঐহাক ঐগী বানা মকোক থাবা চংলগনি।"

রানী অনীদুনা নিংথৌগী পুক্নিং ওন্নবা হোৎনবম্মা অদুবু পুমনমক অরেম্মা তাবম্মী। মহাক্লা তুবেলদু তান্না চংখিরম্মা অদুগা তুরেলদুগী তোর্ব্বান মতুং ইন্না চংলম্মী। নিংথৌ অদুনা মহাক কদাই তান্না চৎলিবনো থওদনা অসুম অসুম চথরম্মী। মতৌ অসুমনা নুমিৎ কয়ানিমরুম হৌখিবম্মা। মহাক য়ামনা চোকথবম্মী অমসুং মশাদু

শোল্লম্মী। নোংমা মহাক্না উমং অমদা চেঙলকংদা নুংশিৎবা খোঙ্জেলদা অবাবগী ঈশৈ অমা তাবম্মী। থুন্মক মহাক্না খোঙ্জেলদু মাগা মাঙখরবী রানীগী খোঙ্জেল্নি খঙলখি। নিংথৌনা থুন্মক খাঙপোকশঙ মনুংদা মাবু উননবা হবাওনা চেন্শিনখিৎম্মী। রানী অদুসু নিংথৌবু উবদা হবাওমনবদগী পীবাং শিন্থম্মী। মহাক্না নিংথৌদা অতোপ্পা রানী অনীদুনা মতৌ করমনা মহাকপু তুরেলদা ইন্থ-হন্নগে হায়বদু মখিক চুমনা তন্নম্মী।

মথংগা নুমিদাং নিংথৌনা রানী অদুগা লোইননা কোন্থংদা হল্লক্ম্মী। মহাক্না অতোপ্পা রানী অনাদু মাগী মমাংদা লরবা কেন্মা অদুগা মখোযদা যাম্না শাউনা হংলম্মী, "করি মরমগীদমক নখোযনা রানী মকোক অদুবু তুরেলদা ইন্থরমলিবনো?"

রানী অনীদু কিবনা থক থক নিক্নম্মী মখোযনা রানী মকোক অদুনা হিংনা হল্লকপা অদুদা ঙকপনা থম থেংলম্মী। মখোযনা নিংথৌদা মতিক চাবা পাউথুম পীবা ঙম্লমদে। নিংথৌনা মখোযবু হাৎনবা য়াথং পীরম্মী। মতুংদা নিংথৌ অদুনা মাগী অচানবী রানীগা লোইননা নুংঙাইনা প্পানখি।

মিত্রাংবা মচিন-মনাও অনীশ

মহেশ পুরোহিত অমা ওইরম্মি। অয়ুক খুদিংগী মনাক্তা লৈনা ঈকজেংগী ক্লপগা ফিশেং শেত্তুনা চন্দন-হৱা ফজনা থিল্লগা খুঙ্গগা শিব-মন্দিরদা শিব পূজা তৌবা চৎনরম্মী। মহাক লাইশঙ অদুগী সেবা চৎপা পুরো-হিতনি। লাইশঙ অদু থাহনগী কুটৰবা মন্দিরনি নুংগনা শাবা, লোহোংসিন তিন্না মথক কুপ্পা লাইশঙনি। লাইশঙ অদুগী মনুংদা থাউনম মচা অমা উত্রি। মথামদা শিবগী খুদম ওইরিবা শিব-লিঙ্গ অদু অঙুবা শঙ ওইনা লৈ। মহেশনা মফম অদুদা নৰিং চুপ্পা লাইশোল শোন্দুনা অদুদি নুংগোইশিনবা হিন্দীগী অশিবা ৱাহৈশিং লীদুনা মতম লেপ্লম্মী। মহাক্না পুক্নিং অসি ওইত্ত-ওইথক অমত্তু লন্থুম হন্নবগী অশাদা তৌরম্মনি। অদুগা মহাক নিংবস্ত কায় নহাক্তা অদুগ অদুবদগী হৌনা শিব খুদম্বা মীশিংনা

অরেপ্পা নৈতনা হেক-হেক লাক্লম্মী। মখোয়না লাইশোল কয়া শোল্লম্মী অমসুং শেল নল্লগা অচা-অথক অমসুং হৈ নৈ মখল মখা কয়া কংলম্মী। মযামক্তু মহেশনা ফংলম্মী অমসুং মখোযক্তুনা মহেশ অমসুং মাগী নুপীগা জীবিকা ওইনবম্মী।

নোংমগী অয়ুক অমা মহেশনা মন্দিরদা হেক চঙবদা লম অক্তুগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা জমিন্দার অক্তুনা মাবু ঊইক্তুনা লৈবমক্তুদা মহাক যাম্না ঊক্লম্মী। জমিন্দার অক্তু মীযাম লাকত্রিঙৈদা মহেশ উন্নবা লাক্লম্বনি। মহাক্না হায়বম্মী, "ঐহাক অথন্নবা লাইশোল শোনবা পামই। মসি করম্না তৌগদগে ঐঙোন্দা তাকপিয়ু।"

"নহাক্না করিগীদমক্তা অসিগুম্বা অথন্নবা লাইশোল শোনবা পাম্লীবনো ?"

"ঐহাকী ইচান্নুপা নৈতে অক্তুনা অমতংদি পাম্মী। মসিগীদমক্তা ঐনা লাইশোল অসি পাঙথোক্লিংলিবনি।"

"লুপা চামদং শিব-লীঙ্গদা কৎলু। মসিদগী ঐনা লুপা ২৫দি লাইববশিংদা ভিক্ষা ওইনা পীথিগনি। অবেস্বা অক্তুনা ঐনা নঙগীদমক লাইশোল শোনবদা শীজিন্নগনি।"

নুপা অক্তুনা লুপা খাঙজাউ অমা লৌথোক্লম্মী। মক্তুদগী মহাক্না লুপা চামা থীদোক্লম্মী অক্তুগা পুরোহীত অক্তুদা পীবম্মী। অক্তুদগী মহাক চৎথিবম্মী। নোংমদা অসুক

লাপ্পা শেলফম ফংবদা মহেশ লাপ্পা হৌবাওদম্মী। মহাক্না মাগী থবক থুনা লোইশিন্নম্মী অমসুং শেল অদু থাও অমদা হাপচিল্লম্মী। মহাক্না মাগী ৱপীদা ন ৱাইবা পাউ অদু তম্বরা ময়ুমলোমদা থুনা লাক্লম্মী। মহাক্না খঙ্জিক্ত লাপ্পা চংলকপদা মিত্তাংবা ভিক্ষাৱী অমা উবম্মী। মহাক্না লুপা ২৫দি ভিক্ষা ওইনা পীগনি হায়বদু নিংশিংলদুনা থাওদগী লুপা ২৫ থক লৌথোক্লম্মী অদুগা ভিক্ষাৱী অদুগী তিথোক্তুনা লৈবিবা মথুংতুদা হাপ্লম্মী। মহাক্না হায়বম্মী, লুপা ২৫সি লৌ। ঐনা মসি ভিক্ষা ওইনা পীথোক্কনি হায়দোক্লবনি। নহাক্না শেল অসি ফংবা মৱাইবক ফবা ভিক্ষাৱী ওইবগীদমক হৌবাওগদবনি অমসুং চাওথোক-চগবনি।"

"নহাক্না ভিক্ষাদা লুপা অসুক পীথোকপা ঙম্লিবসিবু ঙসি নহাক শেল কয়া যাম্না ফংলবগে? ঐনা ভিক্ষারী ওইবকপগী পুন্সিদা নোংমদা শেল অসুক যাম্না ফংবসি য়াওখিদ্রি।"

"লাই খুকপা লাক্লপা নুপা অমনা লুপা চামা পীবম্মী। হৌজিক ঐগী লুপা ৭৫ লৈহৌবি।"

শেল অসুক যাম্না ফংহৌবপা নুপা অসি মৱাইবক কয়াদা ফগ্রবনো হায়না ভিক্ষারী অদুনা খল্লম্মী। পুরো-হীতকা খাউদা লেমহৌরিবা শেল অনসুং মথোয়বু লায়না

ফজকখিবা অদু থাবদা ভিক্ষাদাগী অদুগী থাক্মেয় অদু কাবনা মাহেৎবা ওন্নম্মী। মহাক্না [illegible] বা খোনজদা হায়রম্মী, 'ইবুঙো, মহাক্না ঐবু [illegible] কেপু অমত্তা নত্তা থাউ নত্তদা থংসি থিংজিনহল্লগা [illegible] পোশিংদু মাতুনা কে [illegible]বগত্রা? শেনাশি অদু অমসু পনসা হেনবগী মথোল অদু ঐগা নাকোদদি সংশগুল্লা থোক্কনি"

মাহাক অদুগী পুরোহিত অদুনা থোইনা অকাইবা [illegible] অদু ভিক্ষাদাগী [illegible] [illegible] থাউ নত্তদা [illegible] জিন-দুনা [illegible] লুপা [illegible] শান্নরম্মী। কত্তনা হাথনবা [illegible] ভিক্ষাদা অদুনা থঙাহৌদনা কল্লা লাউরম্মী, "তেবা [illegible], তেবা [illegible]" পুরোহিত অদুনা জ্ঞান তাদনা [illegible] মীয়াম্না নৈরম্মী।

'কৃষ্ণ তোক্খে' মাখি তুনা হায়রম্মী —

"নুপা অদিগী ঐনা হায়রিবা [illegible] গুম্বিরবনি"। ভিক্ষাদা [illegible] থেথা-রম্মী। পুরোহিত অদুনা অচুম্বগী [illegible] কনা হোৎনরম্মী। অদুবু [illegible] মদে। অদুবা মা[illegible] তুনদি পুরোহিত অদুনা থাউ অদু ভিক্ষাদা পদুকগী নুংথীনা [illegible]। [illegible] অদুগী মক্না থম্বদি [illegible] মথোংদা পুরোহিত অদুবু খুনানা থাব্রম্মী

পুৰোহীত অদু ভিক্ষাৰী অদুগী ফত্ত-লৌশিংনা অশঙবা ৱাইহল্লে। হায়বদু খংজৰম্মী। অদুগীসু মথক্তা শাউববা মীযামদুগী মাযে ক্তা মহাক্না কবম্না লেপ্পা ঙমগনি ? উপায় লৈত্ৰদুনা মহাক্না কপ্পি কপ্পি তৌনা খাউ অদু ভিক্ষাৰী অদুদা পীবম্মী। অদুগী তুংদা মহাক্না মযুমদা হল্লক্লগা থোকখিবা পুন্নমক মাগী মুপীদা তম্মী।

মগী মুপীদু থোইনা নিংবা কায়বা তৌবমদে। মহাক্না হায়ৰম্মী, 'মাঙথবা অদুগীদমক তেংথারদুনা কবি কান্নগদগে ? ঈশ্বৰনা নঙোন্দা শেল অদু পীবিবে অমসুং নহাক্নবু নিংলবদি নহাক্না শল অদু অমুক হন্না ফংগনি। তপথৌ অদুগা শেলদু কবম্না অমুক হন্না ফংবা যাবগে হায়বগী লম্বীদু খল্লু। মসুম তৌবা অসিদা নমথাক তৌবা ভিক্ষাৰী অদুবুসু পাবা অমা তম্বীবা ঙমগনি।"

মাগী মুপীগী ৱাঙ অদুনা পুরোহীত অদু মপুক্লিং থোগৎলম্মী। ঐখোয অনীনা অবেনবা খুজিল-খোৰাং অমা তানবম্মী। পুৰোহীত অদুনা মযুমদগী চৎখিবম্মী অদুগা মিত্ৰাংবা অদুগী মতুং ইন্নবম্মী। মমিদাংৱাইবমদা মিত্তাংবা অদু খাঙপোকশঙ অমদা চংলম্মী। মিত্তাংবদুগী মযাম্বদু খাঙপোক মমুংদা মচি অমদা যমত্তনা লৈবম্মী। মহাকসু মমিং তাংলম্মী। ভিক্ষারীনা মযাম্বদা হায়বম্মী, "ঙসিদি ঐহাক লুপা চামা

ফংলক্লে অমসুং ঐহাক শেল অসুক যাম্না অসি ঐডোন্দা থন্না কি। অদুনা ঐনা কবি তৌগদগে হায়বদু নহাক্না তাকপিয়ু।

"নহাক্না অসুক যাম্না শেল অসি মফম কদাইদগী ফংলকপগে?" ময়াম্না অদুনা ডক্না হংলম্মী।

ভিক্ষাবী অদুনা ময়ামবগী মনাক্তা চংশিল্লম্মী অদগা বাবী অপুম্বা ময়ামবদা লোন্না তম্লম্মী। ময়াম্বদু ইহৈ হৈনবমদে, অদবু মনাক্ত অদুনা কবিমতা ফত্ত-মুংদ থোক্লবোই হায়বম্মী। অদুদগী ময়াম্না অদুনা হু যবম্মী, শেল অদু ঐগী অচেনবা ফুবিংসিগী ফুরিংখাউদা হাপচিন্নো। ঐনা মসি মতম পুম্নমক্তা লিংপনিনা শেলসি মাঙখিনি হায়বগী কিনিংঙাই লৈতে।

ভিক্ষারী অদুনা ময়াম্ববু থাজদদুনা তৌবিত্রা নত্রগা শেলদু মঙোন্দগী পীথোক্লিংদনুনা তৌবিত্রা মহাক্না শেলদু ময়াম্বদা পাক হেক পীথোক্লমদে। মহাক্না লুপা ৬০ থীদোক্লম্মী অদুগা মাগী ফুরিংখাউদা হাপচিল্লম্মী। অবেম্বা শেলদুনা ময়াম্বগী ফুবিংখাউদা হাপচিল্লম্মী। অদুগী তুংদা ভিক্ষাবী অদুনা নমাজ (লাই থৌরম্বা) গী মতম নকশিল্লক্লদুনা লাইশঙদা চংখিরম্মী। হোল মমুংদা চঙখিদুনা মহাকনা লাইশোল শোন্নবা কুম্ববম্মী। মিত্তাংবা অদুনা লাই থৌরমবা নোম্বরিঙৈনা মাগী হেক মতুংদা নোম্বরিবা পুরোহীড অদুনা মখুৎ অদু মিত্তাংবগী ফুরিংখাউদা হুমলম্মী অদুগা লুপাশিংদু লোন্না লৌখিরম্মী। মহাকনা থুনা মমুমদা চংখিরম্মী।

লাই খুরুম্বা অদু লোইরবনা মিত্তাংবা অদু হৌগৎলম্মী। অদুগা মাগী ফুবিৎখাউদু মারম্মী। শেল মম্নেকশিংদু থেংনবগী মখোল থোবক্লমদে অদুগা মাগী মখুৎনা লুপা অম্না ক্যাওবা থেংনবমদে। 'কনানা শেলদু লৌবমগদগে ?" মহাকনা মত্তোমদা হন্না হন্না হংজবম্মী। মহাকনা লাইশঙগী মুসলীম পুরোহীত অদুদা শেল মাঙখিবা অদুগীদমক ৱাকৎলম্মী। অদুবু পুরো-হীত অদুনা মঙক হায়বম্মী অদুগা হায়বম্মী, 'নহাকনা শেল অদুক যামবা অদু নঙগী ফুবিৎখাউদা হাপ্লম্লোইদবনি। মীম্নামসিদা নহাকনা কনাদা মবাল শীরুগনি ?"

মিত্তাংবা অদু মযুমদা হল্লক্লম্মী। মহাকনা পাউ অদু মনাও মুপাদা কবন্না হৌদোক্লদগে খনবদা ঙক্লম্মী। অদুবু তঙাই ফদনা তমদবদি যাদবনিনা মহাকনা মনাওমুপাদু তুমবদগী হৌদোক্লম্মী অদুগা পাউ তম্লম্মী। মদুদা মনাও মুপাদু মথরায় মুংঙাইত্রবনা মবাম্নী ৱাহৈ অমা অনী কন্না কন্না লাউনবম্মী। মখোযগী খ্বাইদগী মযামবা অহল অদুনা মখোম্ন অনীগী লাউনবা অদু তাবদুনা মখোয় অনীগী মনাক্তা লাক্লম্মী অদুগা লাউনরিবদুগী মবম হংলম্মী।

লাইশঙদা শেল মাঙহনখিবা মনাও অদুনা মম্নামবা অদুদা মবম পুম্নমক তম্লম্মী অদুগা ভিক্কারী অদুদি তেংথারম্মী, "ও। ঐনা লেমহৌরিবা শেল অসি কদাইদা থমগনি? ঐগী হৌজিক লুপা ৬০ তা ঙাইহৌরে। মসিম্নু লুবানবদি ঐনা

মুপা অদুদগী নমথাক তৌদুনা শেল লৌরকলিহৌ অসি অবেমবা তারগনি।"

ময়ামবা অহল অদুমু মমিং তাংলম্মী।মহাক্না হায়বম্মা, তোক্লো নঙগী লাঙতক্কবা অদু। ঐহাক নঙগী শেলদু মাঙ-দনা থম্মবগী লম্বী অমতং থীগে। ঙাইহাক্কুং লৈবগা মহাকনা হায়বক্লম্মী, "এং, যাম্না লাইবা পামবৈ অমা লৈবে। ঐনা লিংলিবা ফুরিৎ অচোনবী অসিদি য়াম্না পোৱা ফিনি। পৈশাদু খউ অমদা হাপচিল্লু অদুগা ঐঙোন্দা পীযু। ঐনা খাউদু ঐগী ফুরিৎ অচোনবীগা পাননা তুসিনগে। অদু ওইববদি শেলদু মাঙখিনি হায়বগী কিনিংঙাই লৈত্রে।"

ভিক্ষাৱী অদুনা ময়ামবা অহলগী ৱাদু থাজবগুম তৌবদুনা শেলদু মঙোন্দা পীবম্মী। ময়ামবা অদুনা শেলদু অপিকপা খাউ অমদা হাপচিল্লম্মী অদুগা খাউদু মাগী ফুরিৎ অচোনবীগী মন্নুংথবা শকক্কা তুশিল্লম্মী। অদুদগী মচিন মনাও অহুমদু তুম্নবা হিপথরম্মী।

মহেশনা মচিন-মনাও অহুমদুনা ঙাংন-শানখিবা পুন্ন-মক লোল্লা তাদুনা অমস্থুং যেংদুনা লৈরম্মী। মহাক্না ময়ামবা অহলগী হিপফম তাল্লা ইন্নবম্মী। মহাকনা ককচেং খর ফারম্মী অদুগা ময়ামবা অহলগী ফুরিৎ মন্নুংদা হাপচিল্লম্মী। ককচেংশিং অদুনা মহাকপু চিক্লম্মী। মিত্তাংবা অদু যাম্না নারম্মী। অহান-বদদি মহাক ওন-থোইদুনা পোথাযম খঙদনা খাঙল্লম্মী।

অদুবু মসৈথ দাদি খাঙবা ওয়কত্রদুনা ফুরিং অদু নোংখোক-
লগা ল খোলকখি। খঙহৌদনা মহাক্না ফুরিংতুদা তুশিনখিবা
লেংগা খাউদু নিংশিংলম্মী। মহাক্না থক থক নিক্নবা
খুংতুনা ফুরিং অদু কদাইদা তাপ্রবগে মাদুনা খিদম্মী।
মহাক্না ফুরিংতু হেক ফবদা অৱাবা কোক্লম্মী। অদুবু
মহেশনা থুনা থবক চথরম্মী। মিওংবা অদুনা ফুরিংতু
হেক লংখোংবকপগী মহেশনা মদু থুনগৎলম্মী অদুগা
অতোপ্পা মতুং তমা থমজিল্লম্মী।

মনিং-মনাও অহুম অদুনা শেল পুম্নমক মাঙখ্রে
খঙলবা মতমদা মখোয় যাম্না শাওরম্মী। মখোয়না খুলগী
মকোক অদুদা ৱাকৎলম্মী ঐখোয় ইচিন ইনাও অহুমগী
লম্নম লুট তৌরিখ্রে। মহাক্না খুলগী মকোক ওইনা
হুধানবা অদুবু ফাবগা মতিক চাবা দণ্ডি পাবসি নহাক্না
নথৌনি।’

খুলগী মকোক অদুনা মখোয়গী ৱাংমীদু তাববদা শেল
হুড় নখিবা হুপাডু হাবনি হাই লৈতনা হৈ-শি বা অমসু
মনে, চাউবা পুণ্যনি হায়বতু থঙলম্মী। মহাক্না অদুগুম্বা
নুপা অমা উর্নাখিলম্মা অদুনা হুধানদা অদুনা মশানা
লাক্লুনা চংজবক্লবদি মহাকপু দণ্ডি পীবোই হায়না
লাওথোকহল্লম্মী।

পুরোহীত অদু লাক্লম্মী অদুগা মহাকপু মতৌ কবম্না

মিত্তাংবা ভিক্কারী অদুনা অপঙবা শাবমদুনা শেল লৌখি-বগে হায়বদু অমতা চিথদনা খুলগী মকোক অদুদা তম্লম্মী। মহাক্না মহাক্কী নুপাগা কবল্লা শেনদু অমুক হন্না ফংগদগে অদুগা মিত্তাংবা অদুবু পাবা অমা তনীগদগে হায়বগী থূজিল থোরা তোথিবদুসু খুলগী মকোক অদুদা তম্লম্মী। খুলগী মকোক অদু নুংাদুগী লৌশিংদুদা যাল্লা পেল্লম্মী। মহাক্না খুলদুগী অহল-লমনশিংগী মিটি অমা কৌবম্মী অদুগা পুরোহীত অদুবু মাগী মচুৎ শিনবা ওইনা থল্লম্মী। মহাক্না মিত্তাংবা মচিন-মনাও অহুম অদুবু জেলদা থাজিনখিরম্মী।

অশিংবা পাউতাক

থাবনা মমাংউদা লৈবাক অমদা নিংথৌ অমা লৈরম্মী মহাক ঋষি অমগী অচানবা ভক্ত অমা ওইরম্মী। সিংহাসন কাবা ইকুই কুইদ্রিবা নিংথৌ অদুনা ঋষি অদুগী লৈননবা মাগী কোন্নুং মযাদা অপিকপা ফজরবা য়ুম অমা শাহল্লম্মী। ঋষি অদু য়ুম অদুদা নুংঙাইনা লৈরম্মী।

নিংথৌ অদুনা নুমিদাংবাইদম থৃদিংগী ঋষি অদুগী মনাক্তা মাগী মমল য়াম্নবা পাউতাকশিং তাবা হেক চংলম্মী। নোংমদি নিংথৌ অদুনা মহোশাগুম ঋষি অদুগী মনাক্তা চৎপা মতমদা ঋষি অদু যাম্না নুংঙাইতবগী ফিভমদা লৈরম্মী। মাগা মমিত্তা পিগী ঈশা চেন্নম্মী। মদু উবদা নিংথৌ অদু মথৱায় শোক্লম্মী অমসুং হংলক্লম্মী, "করি তৌরবগে?" ঋষি অদুনা খুম্লম্মী, "ইচান্নুপা, ফত্তবা, থুদোংথীবা ঙাক্তা ঙাইহরে। নঙগী অকোয়বদা ফত্তবা, থুদোংথীবা মযাম্না

কোনশিন্দুনা লৈরে অহিং নুথিন্দা নঙবু চাক-শেংবা ফমাইবশিংনা নঙগী মাঙোকতা লৈরে। মথোন্না নঙবু মাঙহন্নবা খুঞ্জিল থৌরা শিনবা লোইরে। নমিং থং-নিগী মনুংদা মথোমনা নঙবু হাংনবা ৱারেপ্পরে। নশক লোংলগা খুদকতা কোন্নুংসি থাদোক্তুনা চংখরো। নঙনা মা অমদি মঙাল পাবা মণি-মুকতা হেক চুম্নখ পুখো অদুগা কনমহো খংহন্দনা চংখো। অদুগা নঙনা চংলিপুগী মমাংদা চে অসিদদি পুখো মসিদা মমল পামবা পাউ-তাকশি ইরিবনি। নঙনা শকথংদবা লমশিং কোনবদা অমদি শকথংদবা নীশিং থেংনবদা পাউতাকশিং অসিনা হায়নি চাই লৈতনা কান্নবা পিগনি। চে অসি লৌখ্রো অদুগা ৱাল্লা থুনা কোন থাদোকতুনা চংখরো। ঈশ্বরনা নঙবু থৌজালবিবা ওইসনু।’

মি খোনা ঋষি অদুন থাগৎলম্মা অদুগা কোনদা চনখিবম্মা। মহাক্না নক চংপা মাওই অমগী কিজেল শেংখিম্মী। মহাক্না অপোবা মিগী ইচেম চম্বা কোট অচোনবা অমা পালম্মী অদুগা শউনগী শেন্দন অমা তোলম্মী মহাক্না মঙল ফাইবা মণিমুক্তাশিংচু থাউ অমদা হাপচিল্লম্মী। অদুগা ফুরিং কোটকা মনু খংবা শরুকা পান্নগা তুশিল্লম্মী। মাগী শেল মানেকশিংদুনা থাউ অমদা হাপ্লগা মথুংনা পামদুনা পুরম্মী।

অহিংগী অচিকপা তাঙ্খাদা নিংথৌ অতুনা কোন্থদগী লে। থেকথিরম্মী মহক্না লেংপোকলেমদা তুবেল অমা চেল্লিবতুগী তেব্বান মতুং ইন্না চংখিবম্মী। মহাক্ক থব চংনবা তুদা ঋষি অতুনা পীবকপা চেহ্ন লৌথোক্তুনা য়েংলম্মী। অদুম্না হায়ম্মী, "ইচানুপা, নহাক শকখণ্ডবা লমশিংদা কোয়-রগনি অমসুং শকখণ্ডবা মীশিং থুনগনি অদুব হায়রিবা লমশং অসিদা নহাক্না কনামত্তবু অমসুং করিমরবু থাজকগন্ন। অদু অনা, খুদোং থীবা তাবরা মতমদা ইনাক্কা লেংদনা শৈবা ঐথোয়গী মকুপশ অদুত্তন থাজগদবনি হায়বদ নিংশিংউ। ঐথোয়গী ফংলকত্রবা মতমদদি মশি মত্তাশিনা খাংবো ঐথোয়বু পাদোকপনি।"

নিংথৌ অদুনা পণ্ডিত্তাক অদুগী ৱাহৈ খুদিংমক নিং-শিংলম্মী অদুগা চে অদু চেকশিন্না ফুরিংথাউদা হাপচিল্লম্মী। মহাক মাগী কোন্থদগী যাম্না লাপনা চংলক্লম্মী। মথং তুমিংবা নোংডাল্লকপদা মহাক ফজরবা তম্পাক্কী অমদা থুনম্মী। তম্পাক অদুদা কঙ্গবরা মথন মথলগী লৈ শুনা মরাং ক ইনা হৌরম্মী। মেউ য়েংউবা মাইকৈ খুদিংদা শুর্কহনবগী মশক ওইরম্মী। মফম অদুগী ফজবা অদু উকবদা নিংথৌগী মপুন্নি ওল্লম্মী।

নিংথৌ অদু যাম্না চোকথবম্মী অমসুং পোত্থাবা পাল্লম্মী। মহাক্না লম্বীগী নাকন্দা শৈবা অচা অথক যোনবা পোংফম

অমদা চঙলম্মী। মহাক্কী মফম অদুদগী অবাম খোঁবাংবা কোক্কবা অচা-অথক খবা চাবম্মী। মহাক মমিৎ পাঙবা ঙমদবগুম তৌবম্মী। "এহাক ঙাইহাক্কুং পোখাখিবা তাই" হায়বত্তুনা অচিকপা মফম অমা থীবম্মী অমস্তুং মফম অদুদা মহাক তুম্নবা হিপথখিরম্মী।

ঙাইহাক স্নুংঙাইনা তুম্লবা মতুংদা নিংথৌনা কোন্নুংদগী লাপথোক্লা চংখিবা লম্বী অমগী মতুংইন্না চংপা হৌবক্লম্মী। নুংথিল চুপ্পা লেপ্তুনা চংলক্লবা ফাওবদা মহাকনা অহিং তম্মাই ফাওবা চংপা লেপ্পলমদে। থেংলবা অহিংগী মতমদা মহাক্না ধর্ম্মশালাগী থোঙদগী ফাওদোবকপা থাউমৈগী মঙাল অমা উবম্মী। মহাক্না ঘুম অন্ত তম্না চঙশিল্লম্মী। ঘুম অদু মথোল অনীগী দলান ওইরম্মী। শিরী অমনা মথক থংবা কাগী কাফম ওইবম্মী। মখাথংবা কা অদুদি শা-শলনা পিক থন্না লৈবম্মী। মরমদি নিংথৌ অদুনা শা-শলগী লৈং-ওৎপা অমদি থোংবগী মথোল তারম্মী।

চোকথববা নিংথৌ অদুনা মখা অমুক চত্থ্রিঙৈদা মফম অদুদা পুংজা থরদং পোখাখিগে খল্লম্মী। মহাক্না শিবী অদু কাখৎলগা মথক থংবা কাগী থোঙ অদু খীল্লম্মী। হন্নুবী অমনা থোঙজু খুদক্তা হাংদোরক্লম্মী। হন্নুবী অদু হেক উক্লবদা নিংথৌ অদু মথক্তগী কুমথরক্লগা শৌরোক্তা অমুক হন্না মখা চত্থগে খল্লম্মী। মরমদি হন্নুবী অদুগী মশক অদু

অসুক্কী মতিক থীবম্মী মদুদি মহাকপু ম্নেংবদা অকিবগী মশক্ক ওইবম্মী। অদুবু মতাম্না মোমোন নোক্রম্মী অদুগা নিংথৌদা অহিং অদু মাগী চম্নবা কা অদুদা লেক্লবা হাযবম্মী। নিংথৌনা হাম্নজবিবদু যাবম্মী অমসুং নিংথৌবু কা অমদা পুবম্মী। কা অদু থোইনা নানবা কা ওইবমদে অদুবু মযাইদা থাবিবা ফমুং অদুদি তরু তরুবম্মী অমসুং হৌজিক্কা শেন্না ফমুং মাম্লম্মী। ফমুং মথক্কা তরু তরুবা অঙৌবা মোম-পাক-ফিদক অমা থংবম্মী অমসুং তুম্নদা যাম্না মুংঙাইগদবা ফমুং মম্লম্মী। অদুবু নিংথৌ অদুনা ঋষি অদুগী ৱা অদু নিংশিংলম্মী অদুনা মহাক্না ফমুং মথক অদুদা পাক হেক কম্নমদে। মহুগী মহুংতা মহাক্না হন্নহৌ অদুদা অশাবা চক চবা অমা পুবকনবা হাযবম্মী। হন্নবী অদুনা হেক চংখিবগা মহাক্না থোঙ অদু পোৎবোল থংজিল্লম্মী অদুগা মোম্পাকফিদক অদু লৌথোক্লগা মখাদা যেংলম্মী। মহাকনা উগী কাংথোল মথক্কা অমোনবা মোম্পাক অমা উবম্মী। ফমুং অদু অসি-গুম্বা মওংদা থাবম্বনি মদুদি কনাগুম্বা অমনা মথক্কা হেক ফম্লুবদা মহাক খুদক্কা কোম মমুংদা তাখিগনি। পুম্নমক অসি উকবদা নিংথৌ অদু শাউবনা মৈ হোবম্মী। মহাকনা খুদক্কা মাগী থাংশাং শত্তোক্লম্মী অদুগা কম্নবী হন্নবী অদু তম্না চেনশিন্দুনা মাব হাংলম্মী। অদুদগী মহাকনা মীথুং-ফম অদু থাদোক্লগা মখা অমুক চথবম্মী।

ঙমিং নিনিবোম চংল্লবা তুদা মহাকনা সহব তামদা থুরম্মী। মথম অসিদা মহাক্কী অঙাং ওইবিবৈঙী মরুপ অমা লৈরম্মী। মহাকনা সহব অতুদা লাকই হায়বদু মাগী মরুপ্পা শক্দা মরূপ অদু নিংথৌগী মনাক্তা লত্রম্মী। মরুপ অদুনা নিংথৌ অদুবু মহাক্কী অচৌবা কোট অমসু অচম্বা সেন্দল অদুদা মশাক পাক ত্তেক খঙবা ওন্নমদে। মরূপ অদুনা নিংথৌ অদবু মতম খরদা মগীদা লৈননবা হায়জরম্মী। নিংথৌসু যারম্মী। মরুপ অদুনা নিংথৌগীদমক্তা যম্না লুনা অমম্তা চেকশিং তাংদনরম্মী মরূপ অনীদু মথোয়গা অঙ ওইবিবৈঙী চানাশ অদু নাশনদুনা নুংঙাইনা থা কয়া লেননিংরম্মী। অঙমশুবা থা লোইবমদাইদা নিংথৌ অদুনা মরুপ্পগী বিদায় তৌরম্মী অদগা হায়রম্মী, "ঐহাক লোন্নবা লৈবাক অতুদা চংকনি অদুগা ঐগী লৈবাক অমুক হন্জিন্নবা মফম অদুগী নিংথৌগী মতেং নিকগদৌরিবনি।" মরুপ অদুনা মাবু বিদায় পীবদগ খোইননা অযাংবা শগোল অমসু পীরম্মী। অদুগা হায়রম্মী, "নসিনা নহাকপু পম্বু ফম য়ৌনা শোইদনা ঙাকদনা পুগনি।" অদবু নিংথৌনা শগোল অদুবু লৌবমদে। মহাকনা থীন্দনা মফম অদু থাদোক্রম্মী।

থংনবা খুঙ্গংদা নিংথৌগী মখুবাশিং অমা লৈরম্মী। চোকথববা নিংথৌ অদুনা মতম খরদা মখুবাগীদা পোত্থা-খিগে খল্লম্মী। অদুবু মখুবা অদুনা নিংথৌগী চোকথববা

মানংথো অতু উবদা নিংথৌ অতুব পোৎলিন্না থেৎখমদে। নিংথৌ অতু মথবান শেংকম্বা অমসু মহাক্না ঋষি অতুগী অশিবা হাড়া অতু নিংশিংনম্মি। মহাক খুদমক লোন্না লৈবাক অতুদা লৌখ্রম্মী। মহাক্না মফম অদুদা নিংথৌনা মাত্ত থা বিনবা হাংজরম্মী। মফম অদুগা নিংথৌগী অচৌবা লাম্বী তেঙ্গোল অমগা লোইননা নিংথৌ অতুনা লাইবাক্কী ফম্নাইবশিংগী মংক্তা লান্দাবম্মী। মহাক্না মখোযবু মাইখৈবা থীদুনা অমুক হন্না সিহাগন কাদম্মী। মহাক্না নিংথৌ অমুক হন্না ওইবদা মাগী মতুংদা শিখিবা অশিবা ঋষি অতুগী নিংশিং ফুনা অমা শাহনম্মী। নিংথৌ অতুনা মপুন্সি চুম্বা ৰষি অতুবু কাউবা লৈখিদে।

[illegible]

থাগনা মমা ইচুরা থঙ্গ অমদা মচিন-মনাও মথা থক মচল নুপী অমগা লৌউননা লৈমিন্নম্মী মচিন মনাও-শিডু যাম্না নুংশিনম্মী অদুবু মখোনা। খুইদগা নংশিবদি মচল নুপী অদু ওইরম্মী। মচল নুপী অদু মনক মনাউ ফবমক মশকসু ফজরম্মী। মহাক্না মংশিব কিনা লুং। তৌজরম্মী। মতম পুন্নমক্তা মখোযনা হানবা ইল্লম্মী নুপামচা ওইবগী হেনশা মবুংশি অডুনা মনক মনক্তা যৈন-শুনবা তৌহবসু, মচল নুপী অদুবুদি মখোযনা কৈদৌ নুংদা অথীবা বাহৈনা ফাওবা চৈহমদে মতম পুন্নমকতা মচেল নুপীনা হাদবা অমদি তৌথোককপা থৃদিদা মবুংশি অডুনা হবাওজরম্মী অমসু পেঞ্জরম্মী।

মতম্না অসুম হৌখিবগা লৈহিননা মবুংশি অদু লুহোলম্মী। মবুং মধী অদুগী কন্যা মনা যুম অদুদা

নানম্মী। হান্নগী মবুংশি মাংদ্রি মচল নত্তবা মপা মপান তড্রদগী অওনবা অসুম লান্নম্মী মতম হন্দি লুপুন্না, ইমুং অড্ডু ইনা তনা পান্নম্মী। অড্ডুন মৌ মা ইচল মবুংশি অড্ডনা মচল নুপীবু লৌনা চান্না তোবা অড্ডনা মাং কল্লক্রম্মী। মচল নুপীনা ৱাবা কয়া তৌনা মাফমদগী মান্নশিনা মাং নুপীগী মনি থাহন্নবা হোৎনবা অড্ডগী মৌশিদু শাউবনা চেমশ্রি লৈংমদে মখোয়না হানবা থাদি নপাশি অড্ডনা থে ওইনাওই তৌদবগুম তৌরম্মী। মহাক অড্ডনা মখোয়না মচল নুপীবু কল্লকপা অড্ড মশামখাদদি মহাকপু শিদবা অমদি তংবো ওইরম্মী। মবুংশি অড্ডনা চথোকখিংদা মৌশিং অড্ডনা মচল নুপী অড্ডবু য়ুমগী থবক ইস্না পুল্লমক তৌহল্লম্মী। মৌশিং অড্ডনা মবুংশি অড্ডু থডহন্দনবা যাম্না চেকশিন্না হোৎনবম্মী। মবুংশিনা হেক চথোকখিবগা মৌ অননা মঙোন্দা থে দাহম্মী, “লৈমায় অড্ডু ৱাব শিংতোকউ।” অড্ডুদগী ততোপ্প অমনা অমুক হায়গনি, “কোল-লিকশিংডু ফেংদোকউ।” অহুম শুবী মৌনা অমুক থানা চৈবক্কনি, “কযাদ তনখ্রবা লৈশাবীনো! ফা-বোল শুগদবা যাম্না লৈবি মখোয়শি অসি যাম্না ফজনা, মি তানা ঙৌনা শুগদবনি।” অবোইবদা মবীশুবী মৌ অড্ডনা হায়, “চাক থোলুচো।”

মমবাইবক থাববী লৈশাবী অড্ডন কোইচেন চেন্দুনা

থেংনা পমাক পাংথোক্লবা হোংলই। অদুবু মৌ মনী অদুগা অমাবা মীচং মওংনা কনিগম্বা ফনাগদে। কদিগুম্বা মৌশিংনা হৈবদা মাংলা কপবদি অমুক্কা হেন্না থেংদা মহৌ মথং পীশিন্নখি। লৈশাবী অদুনা মহাক অরাবা নাপ্পা চংলে হায়বদি থুডুক্লম্মা অদুন মদুদগী নাক্লোক্লবা উপাবদি লৈরমদে। মরশিংনা মহাকপু হল্লবা মতমদঙা মহাক্কা পোথক্তনা ফংলম্মী মৌশিং অদুগী ফজবা লৌশিংসু অদুকপু ওইরম্মী। মরশিং অদুনা হন্নদবা পুংথায়মুক বা দিংনা লমাংনা ঈবোথোকলাকহল্লম্মী অদুগা মনী মাহেৎল অফবা শেংদা মরুশিং হনকপা ওইদুনা নিংহন্নম্মা লশাবা অদুগী পোক্তিদেকপা অদুদগী মাপ অমা লেংম্মা নৈনম্ম-শিংনা মাপ শাখানা ওইনাংনম মহাক্কা মরুশিংদা কনিগম্বা থুডুহল্লমদে। মহাক্কা মরুশিং হল্লকপদা হৌরাও অদাম্বা ওইরম্মী। মতৌ অমুক্কা মাগী থম্মোয়দদি হাঙ্গা নওইহৈরবসু ইমুং অদুদদি শান্তি লৈরম্মী।

তোপাদি মচিনশিংনা ওশিংদু চউম খংগা ওইনা অশাবা থোংচং হুনা চংগা তাংলম্মী মৌশিংদুনা মচন নুপী অদুব হেন্না চাউরবা অমাদি ও-নৈনবগী তাঙ্গা ফংলম্মী। মথোংদা চক ইকু অমদা খুদোনবী থাবুনা হাংলক্লম্মী, "নব অহনগী খুদোপ্তু চন ইকু মবকসিদা মাংলে। নহাক্কা মতুং থৌনা ঐখোয়দা পীগদবনি।

মসি হায়বল্লগা মখোয় চৎখিরম্মী। লৈশাবী অহুনা মাগী মরেপ অনীমুক রাংবা চক ইকু অত্তুদা শ্লেংলম্মী। মহাক্না কবম্না মফম অত্তুদা মাঙহবা খুদোপ্প, থীবা খঙগদগে? মহাক্না রাখল অত্তু খনবদা নুংঙাইতনা কপ্লম্মী। মহাক্না মতম খবা মুংবংননা কপ্তুনা লৈরুববা ভুংদা খঙহৌদনা অচৌবা উচী অমনা খোংবা ত্তাবম্মী। মহাক্না যেংথোক্লুবদা উচী অত্তুনা মাগী যেৎথংবা মখোঙদা থেঙবোই চিকপোই তৌবত্তু উবম্মী। ঙাইহাক লৈরগা উচী অত্তনা মাঙহ্লবা খুদোপ অত্তু মাগী মখোঙ মযাদা থল্লম্মী। অত্তুদগী উচী অত্তু মাঙখিবম্মী। লৈশাবীদু য়াম্না কুরাওরম্মী অমসুং মহাক্না খুদোপ অত্তু মনম্মা অহন্দা পীবম্মী।

মথংগী নুমিৎতা মনম্মশিং অত্তুনা মরু-মরাং মপৈ অমদা মখুৎ থিল্লত্তুনা হায়বক্লম্মী, "অফবা মরু-মবাংশিং অত্তু খন্দোকউ অত্তুগা উপু মনুংদা হাপচিল্লু।"

লৈশাবী অত্তুনা মমাংদা পৈরিবা মরু মরাং মপৈ অত্তুদা শ্লেংলম্মী অত্তুগা কপথোরক্লম্মী। খঙহৌদনা শেম্রাং অনীখক পাইথবক্লম্মী অত্তুগা মরু-মরাংশিং অত্তু খন্দোকপা হৌরক্লম্মী। অহানবদা লৈশাবী অত্তু ঙক্লম্মী মরমদি শেম্রাংশিং অত্তুনা মরু-মরাংশিং অত্তু চাথোক্লিবনি হায়না থল্লম্মী। অত্তুবু মুম্না য়েংলুবা মতমদদি শেম্রাংশিং অত্তুনা অফবা মরু-মবাংশিং অত্তু ফত্তবশিংদগী য়াম্না ফজনা খন্দোক্লিবনি হায়বত্তু খঙলম্মী।

থবক লোইববা মতমদা শেন্দ্রাংশিংদু প্লাইখিরম্মী। অদুগী লৈশাবী অদুনা অফবা মক-মরাংশিংদু উপু, অদুদা হাপচিল্লম্মী। মনম্মশিংদুনা মাগী মবাল ফংদ্রবা অদুদা অহোইনদুম-নুংঙাই-বমদে।

হুমনিশুবা নুমিত্তুদি লৈশাবী অদুদা পীনবা থবক লৈদমদ্রে। অদুনা মহাক নুমিৎ অদুদদি নুংঙাইদ্রা. পোত্থতুনা [illegible] [illegible]। অদুবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কপ অমা পীবম্মী অদুগা হায়রম্মী, "সহবগী নোংপোক থংবদা লৈবিবা উমং অদুদা মুনি অমা লৈরনি। মাগী মনাক্ত চৎনু অদুগা মহাক্না মী অতৈদা পীরা মনা মশীংগী হিদাক্ত মহি অদু নডোন্দা পীনবা হায়কচো। নহাক নুমিৎ কাপ্লিবৈদা হল্লকদবনি।

লৈশাবী অদু নুমিং তান্নিবৈদা ময়ুমদ হল্লকপা তম্মী। ঐবন্দি নুমিদাংরাইবম অদুদা মবুংশিং অদু য়ুমদা হল্লক্লনি থাজবম্মী। মহাক্না কপ অদু পুরগা চৎখিরম্মী। মহাক শাঙ-নিংবগী ভমথৈ লৈবমদে। মাগী মনম্মশিং অদুনা মাবু যুক্ষু লুংশি হৈত্না তৌবিরে হায়বসি মক্লাক থনক্লা হোৎরম্মী। মহাক্না মাগী অরবা অদুদগী নাক্লোকরা নথী থীরা হোৎনরম্মী। মহাক্না বাখল থক্লা থক্লা উমংলোমদা চঙ্লম্মী। উমং লোয়রক্লগা মহাক্না মুনিগী মনাক্তা চৎলম্মদে, ওন্নকৈনবদা. মহাক্না ভাংলৈনবা উবী অমা থীবম্মী অদুগা মদু শুগ ইরগা মহি অদু কপ অক্লদা

থাংচিল্লম্মী। অদুদগী মহাক্না ময়ুম মাযকৈ পাংলক্লম্মী। মহাক্না উমং অতা হেক তুংইনবদগা মরুংশিংছু লাকপা উবম্মী। মহাক্না মরুংশিংদুবু মোমোন নোক্নবা ওক্লম্মী। মরুংশিং অদুনা মাবু খুদোং থীবা লম্ফাং অদুদা থেংনবদা যাম্না ওক্লম্মী। মখোয় পুম্নমক্না হংলম্মী, "নহাক নফম অসিদা করিগী লাক্লিবনো?"

"মরুংশিংবা ইরুংশিং," লৈশাবী অদুনা নুংশিনা খুমক্লম্মী। "ইনম্মশিংদু মমিং নারে অমসুং মখোয় যাম্না রানা থাওলে। মখোয়না ঐবু হিদাক মহিসি মখোয়গীদমক লৌরবা থাবক-পনি। ঐসু লাক্কবা যাদদুনা লাক্লম্বনি।"

মখোয় পুম্নমক মযুমদা হল্লকনিল্লম্মী। মখোয়গী নুপা-শিংনা মচল নুপীগা লেইননা হল্লকপা উরদা মোশিং অদু কিবনা লেইরম্মী। করিগুম্বা মচল অদুনা মরুশিংদা মাবু নম্মশিংনা করম্না লোইনবিবগে হায়বদু ঙম্লমদি হায়বগী ৱাখলদা মোশিংদু পাখংলম্মী। অদুবু মহাকনা মরুংশিংদা করিমত্তা তমদে খওবদা মোশিংদু পেংথফম খওজরম্মী। মরমদি মখোয়গী নুপাশিংনা মখোয়বু তরাম্না তৌরম্মী অদুগা হায়রম্মী, "ঐখোয়গী মরুংশিংবী ইচল নুপীনা হায় মদুদি নখোয়গী নমিং নারে অমসুং যাম্না রানা থাওলে। হৌজিক করম তৌবিবগে? যেংউ মহাক্না, নখোয়না হায়বা হিদাক মহি অদু নখোয়গীদমক পুরকলে। মহাকনা হিদাক

মহি'সি মবীক খবা খবদং নখোযগী মিৎতা হাপ্পা মতমদা নখোয হিপথৌ।"

হৌজিক্তি মুপীশিং অদুনা কবিবু তৌবা ঙমগদগে? মখোযনা মমিং অদু যাম্না নাবগুম তৌশিন্নবম্মী অমম্মুং মচল মুপী অত্থূদা মহি অদু মবীক খবা খবদং মখোযগী মমিংতা হাপ্পবা হাযবম্মী। মচল অদুনা হংম্নরিবদু তৌবম্মী। ম'সগী মতুংদগী যাম্না থুনা মুপীশিংদু হংশংনা অনাবা ফাংবম্মী। মতম্মা অম্মম হৌখিবগা লোইননা অনাবদু অম্মম অম্মম হেনগৎলম্মী অদুবু মদুনসু লোইবমদ্রি। মুপীশিং অদু মখোযগী উবগী শক্তি অদু মাঙশিল্লক্লি হাযবদু খঙলম্মী। মখোযনা ডাক্তরশিংগা তান্নবম্মী অদুবু ডাক্তরশিংনা মুপীশি অদুবু মমিং পুমতা তাংবদগী কনবা ঙম্মমদে। মৌশিং অদু মখোয়গী মমা মপাগী মযুমদা হন্নখিবম্মী অমম্মুং অমুক হল্লকখিদ্রে। নৈশাবী অতুনা মবুংশিংগা ম্নাংডাইনা লৈমিন্নখি।

———